www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,527
22 Carat/g : ₹ 13,590
1 Kg Silver : ₹ 2,17,750
10 Gram Silver : ₹ 2,177
WEATHER: Sunny
Temperature 29/17°C
Sunrise: 05:12 AM
Sunset : 04:48 PM
Petrol : ₹ 106.87
Diesel : ₹ 92.57
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 304 | IMPHAL, THURSDAY, OCTOBER 15, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | শগোলশেল, মেরাগী ৫নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

থম্বাল শঙলেন মমাঙদা দাউন দাউন বি জে পি হায়বা খোল্লাউনা পুমনিন নিনখ্রে

পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা মণিপুর শোক্কদবা বিল খরা পুথোরক্লবা য়াইঃ বিমোল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ কোংগ্রেসকী এম পি বিমোল অকোইজমগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল য়ানিংদে। অচুম্বগীদমক মণিপুর মীয়াম্না লেপকদবনি হায়না এম পি বিমোল অকোইজমগী সপোর্টরশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি থম্বাল শঙলেন মমাঙদা দাউন দাউন বি জে পি হায়বা খোল্লাউনা পুমনিন নিনখ্রে।

নাকল অমরোমদা, এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টগী নীংথম মীফমদা মণিপুর শোক্কদবা বিল খরা পুথোক্লবা হোৎনরে হায়বগী পাউ খরা ফংবা লৈ। বিলশিং অসি পার্লিয়ামেন্টতা ...মখা লমায় ৬তা...

বিমোলগী য়ূমদা দিল্লি পুলিসনা নোটিস থেৎচিল্লমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) গী নুপী মহৈরোয় ১১ দা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সেক্স্যুএল হরাসমেন্ট চৎথখি হায়বগী মরালদা য়ুম্ফম ওইরগা বি জে পি অমদি কোংগ্রেস পার্টি অনীগী মরক্তা চিনগী লান থোক্লিঙৈ মনুংদা দিল্লি পুলিসনা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী দিল্লিদা লৈবা য়ূমদা সর্ভ নোটিস থেৎচিল্লমখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৬তা...

মণিপুর নুংশি হায়রগা সেকমাই লানবা ঙমদবা লুচিংবশিং ৱাকাই ঙাঙবা লেপ্পিরোঃ ৱাই খেমচান্দ

মীয়াম ইকায় ফিরুক খুমহল্লিবা কোকহন্নবা কোর্টতা লান্দে উৎলুঃ রোবিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর নুংশি হায়না কোইলাউ লাউরগা ৱাকাইদি অদুম ঙাঙবা সেকমাই লানবা ঙমদবা লুচিংবা খরা লৈ। মখোয়গুম্বা লুচিংবশিংনা ৱাকাই ঙাঙবা লেপ্লগা মণিপুর অমত্তা ওইনা হীংমিন্নবা হোৎনদুনা তুংগী য়াইফবা মণিপুর অমা ওইনা থনমসি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা চৎখ্রগা তৌরোইদবা থবক তৌই হায়দুনা মণিপুর মীয়ামবু ইকায় ফিরুক খুমহল্লিবা এম পি বিমোলনা তশেংনা মরাল লৈত্রবদি কোর্টতা চৎলগা লান্দে হায়বা উৎপিয়ু। মীয়ান্না নংলিবা ইকাইবা কোকহনবীয়ু হায়না থাঙ্গা এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লেপ্তুনা চথরক্লিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

লংথবাল লেপ মখা লৈকাইদা লৈবা চুমথাং শান্নপুংদা পাঙথোকখিবা সেৱা সংকল্প অভিয়ান অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী ওফিসিয়েলশিং লাক্নুনা দিপার্টমেন্টশিং অসিনা পীরিবা সার্ভিসশিং মফম অদুমক্তদা মীয়ামদা ফংহনখি। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ৱাই খেমচান্দনা হায়, মণিপুর নুংশি হায়দুনা ...মখা লমায় ৬তা...

মণিপুরগী ইলেক্সন থেংথবগী ৱা লৈতে

বি জে পিনা মণিপুরদা গভর্ণমেন্ট অদুম পায়গনিঃ রাজদীপ রোই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী ইলেক্সন থেংথবগী ৱাফম লৈতে। মতম চানা অদুম পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা অনৌবা বি জে পিগী গভর্ণমেন্ট লিংবগা লোয়ননা মার্চ ৩১, ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী মীফম পাঙথোক্কনি হায়না বি জে পি মণিপুরগী ইনচার্জ রাজদীপ রোইনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী এজেন্সি পি টি আইদা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না রাজদীপ রোইনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং, অতৈ এজেন্সিশিংগা তান্নরে। মণিপুরগী মীখল পাঙথোকপদা বি জে পিগী ওইনা নীংহন্নবা লৈতে। শুকশোয় শোয়দনা গভর্ণমেন্ট পায়নবা খুজিল থৌরাং তৌবা হৌরে। ...মখা লমায় ৬তা...

ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাকপু নুংশিবা কয়া অমা লৈবনি, নহাকপু তাথিবশিং থওইনা তৌরুনু

মীওই ৪না শাবা ইনক্কারি কম্মিটি শেম্লেঃ রিমস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ অঙাং উনবগী থৌদোক্তা লাইবক থীবদগী থোকচোম ওংবী বিনারোই লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মীওই ৪না শাবা ইনক্কারি কম্মিটি শেম্লে। চৎনা কাঙলোনগী মতুং ইন্না মীশি অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা থীজিল্লগনি হায়না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল...মখা লমায় ৬তা...

খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনিঃ য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ লোক সভাগী মেম্বর প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মহৈরোইশিংদা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট চথে হায়দুনা মরাল শীরক্লিবা অমদি বি জে পিনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌদুনা এম পি অসিবু ইস্নুনবা হোৎনরকপনি। ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা মীওই ...মখা লমায় ৬তা...

> মীরেপ্তগী শেল নীবগী চৎনবী থাদোক্লসি। শেল লৌরগা ভোট পীবগী অরানবা লীচৎ শেমদোক্লসি। ভোটকী চাকচা হৈজানবা ফত্তবা চৎনবী মুখৎলসি
>
> – ময়োল

লোইরেদনা

ইতাওনা নুমিৎ চুপ্পা মাক্সতা উপ্তুনা লৈরিদুবু কোভিদ কীবগী ৱারো

[illegible]

মণিপুরগী লম্বীগী উফুল কীবগী উপ্পনিদা

[illegible]

হেক্তা হায়জিনবা

হিংবা তমসি

চাদনা হিংবা তমসি
শুদ্রদি চানিংঙাই লৈরোইদবনা
শুদে নোংমনা বন্দগী
শুদে নোংমনা সটদাউন্দগী
শুদে নোংমনা ব্লোকেদকী
শুদে নোংমনা ৱাকৎ মীফমগী
শুদে নোংমনা রেল্লিগী
শুদে নোংমনা ধরনাগী
শুদে নোংমনা কর্ফ্যুগী
চাদনা হিংবা তমসি
শুদ্রদি চানিংঙাই লৈরোইদবনা
ভাষননা পূক থলহনসি
শেঙ্গোক লৈতনা হিংসি
ঐখোয় মশেল ওনশিন্নসি
ঐখোয় মশেল মুন্নসি
শুদ্রদি চানিংঙাই লৈরোইদবনা
চাদনা হিংবা তমসি

আই টিগী লমদসু মশক তাকপা ঙন্নবা নহাশিংনা হোৎনসিঃ সি এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মালেমদা স্পোর্ট অমদি আর্ট এন্দ কলচরনা মণিপুরগী মশক তাকপগুম মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অহোংবা অসিদা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই টি) সেক্টরনা লমদম অসিগী মশক তাক্লবা ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়না চিফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সাইবর হব বিল্ডিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা শীন্দুনা 'ভাসিনি রাজয়াম'গী মতাংদা পাঙথোকখিবা ৱাক্লোপিতা খেমচান্দনা মখা তারদুনা হায়, মালেমদা ঙাঙনরিবা তোঙান-তোঙানবা লোলশিং এ আইগী খুথাংদা মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লিবা অসিদা য়ুথশিংনা শরুক য়াবা অসিনা মালেমগী চাওখৎলমজেলদা য়াওবা ঙম্লগনি। লোয়ননা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ ৩৩গী তোঙান-তোঙানবা লোলসু অথুবা মতমদা ভাসিনি ...মখা লমায় ৬তা...

ভোট লেপ্পা, পোলিটিক্স তৌবা খক্লা লৈবাক কনবা নত্তে এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওরগা লৈবাক কনবা ঙন্নবা হোৎনসিঃ সনাজাওবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ ভোট লেপ্পা, পোলিটিক্স তৌবা খক্লা লৈবাক কনবা নত্তে। এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওরগা অকুপ্পা পোলিটিক্স তৌরগা লৈবাক কনবা ঙমগদবনি। মতম খরা য়েলহৌ ফুরুপকী মীওইশিংনা ডোক্তর ইঞ্জিনিয়ারদা মায় ওনশিল্লঙৈ লৈবাক কনবগী ৱাখল্লোল লৈহৌদবনি। মসি তোক্লগা এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওনবা হোৎনসি হায়না সনাজাওবা লৈশেম্বা এক্স এম পিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা কমেং ভিল্লেজপূ সেদ্যুল কাষ্ট (এস সি) ওইনা শকখঙলকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কমেং মৈরা পায়বী, ইষ্টর্ন য়ুনিক কমেং, কমেং দিভলপমেন্ট কম্মিটি, কমেং লুইস ...মখা লমায় ৬তা...

য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শওম্বুং সব দিবিজনগী মনুং চন্না লৈবা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৬তা...

লেন্দ রেভেন্যু দিপার্টমেন্টনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী লেন্দ রেকোর্দ দিজিটাইজ তৌবা লোইশিল্লক্লেঃ ডা. দেবিদ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চাদা ১০০ ফন্দিং তৌবা দিজিটেল ইন্দিয়া লেন্দ রেকোর্দ মোদর্নাইজেসন প্রোগ্রাম (দি আই এল আর এম পি)গী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্কী লেন্দ রেভেন্যু দিপার্টমেন্টনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী লেন্দ রেকোর্দ দিজিটাইজ তৌবগী থবক চথবা চাদা ৯৮.৫২ লোইরে হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ সেটলমেন্ট এন্দ লেন্দ রেকোর্দকী দাইরেক্টর ডা. দেবিদ এলাংবমনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আরনা শীন্দুনা পারিংনাইনা চথরকপা মীট দি প্রেস থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দি আই পি আরগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুর লেন্দ রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা পাউ মীশিংগা উনবগী থৌরমদা ...মখা লমায় ৬তা...

'মেদিকেল কাউন্সিলদা রেজিষ্ট্রার তৌরবা ডোক্তরশিংদা ওইনা কনসল্ট তৌবিয়ু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ অনা লায়েং চথবা মতমদা মেদিকেল কাউন্সিলদা রেজিষ্ট্রার তৌরবা ডোক্তরশিংগা তান্নদুনা কাঙলোন চুন্না লায়েংবীনবা মণিপুর মেদিকেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

মেদিকেল দাইরেক্টোরেট কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর মেদিকেল কাউন্সিলগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. এল রঞ্জিৎনা হায়, লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা মীশিং য়াম্বনা মরম ওইরগা ও পি দিদা লায়েংবদা খূদোং চাদবা কয়া মায়োক্লরবসু মপূং ফানা লায়েংনবা হোৎননিংবগী ডোক্তরশিংগী অপান্বা ...মখা লমায় ৬তা...

অথুবদা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমগদবনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং কন্ট্রোল তৌগদবনি হায়না রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন, খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী মায়কৈদগী থল্লক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৬তা...

চীং ১দি তমদা মীরেপ পুথোক্তুনা লৈঙাক শেন্নবা হোৎনগনিঃ বিরেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা এসেম্বলি ইলেক্সনদা চীং অমদি তমদা জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)গী মীরেপ থাদোক্তুনা মায় পাকহনবগা লোয়ননা লৈঙাক শেন্নবা হোৎনরগনি হায়না জে দি (য়ু) মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দগী গোবিন্দজি টেম্পল রোদতা লৈবা জে দি (য়ু) মণিপুর য়ুনিটকী ওফিসতা ৱাংখৈ এ সিদগী সোসিয়েল ৱার্কর অনন্দ ...মখা লমায় ৬তা...

য়েলহৌমীশিংদা চৈথেং পীরিবা সু খুদক্তা লৌথোক্কদবনিঃ ডা. রোজেস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ য়েলহৌমীশিংদা চাউনা চৈথেং পীরিবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) খুদক্তা লৌথোক্কদবনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী স্পোকসপার্সন ডা. সেরাম রোজেসনা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি পিগী জেনরেল সেক্রেটরি (মেদিয়া) করমজিৎ অরাম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এম পি পিনা শীন্দুনা ন্যু দিল্লিগী প্রেস ক্লব ওফ ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ডা. সেরাম রোজেসনা য়েলহৌ ফুরুপশিং অমদি অতোপ্পা ...মখা লমায় ৬তা...

মহৌশাগী খূদোলতনা য়োম্লবা মণিপুরগী নীংথিরবা শক্তম পূন্না ঙাকমিন্নবা চঙইঃ গভর্ণর

তুংগী মীরোলগীদমক মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভর্সিটি অসি ঙাকলমসিঃ লোসি দিখো

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ মহৌশাগী খূদোলতনা য়োম্লবা মণিপুরগী নীংথিরবা শক্তম অসি পূন্না ঙাকমিন্নবা চঙই। মণিপুরগী নেচরেল হেরিটেজ ঙাকপা হায়বসি লৈঙাক খক্তগী থৌদাং নত্তে হায়বা খঙমিন্নবা চুম্মী হায়না মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা 'কনেক্টিং হেবিটেট, থ্রাইভিং ৱাইল্ডলাইফ' ...মখা লমায় ৬তা...

EDUCCON 2.0
POWERED BY UNACCO GROUP OF INSTITUTES
EDUCATION BEYOND BOUNDARIES
EDUCCON
Powered By UNACCO Group Of Institutes

For More Information:
+ 91-90773 52953
www.educcon.in

EVENT HIGH LIGHTS

01 PAINTING COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot)

02 MULTICULTURAL GROUP DANCE COMPETITION
Category 1: Class I to Class V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII
(Theme: My culture, My identity)

03 DEBATE COMPETITION
Category 1: Class IX to XII
(Topic : AI is a Greater Threat to Humanity Than an Opportunity)

04 STORY WRITING COMPETITION
Category 1: Class VI to VIII
Category 2: Class IX to XII
(Theme: The theme will be announced on the spot.)

05 OPEN REELS COMPETITION
All Age Group (Education Beyond Boundaries)

06 WRITTEN QUIZ COMPETITION
Category 1: Class III to V
Category 2: Class VI to VIII
Category 3: Class IX to XII

07 SCIENCE / INNOVATION EXHIBITION
Eligible Classes: Class VI to XII (Theme : SCIENCE FOR A BETTER FUTURE)
(Innovation • Discovery • Sustainability • Human Progress)

08 MISS TEEN EDUCCON
Age Group: 13 to 18 years
(Theme: Beauty With Purpose)

09 MANIPURI MODERN SONG COMPETITION
Category 1: Pre Nur to KG (Rhymes only in group)
Category 2: Class I to V
Category 3: Class VI to VIII
Category 4: Class IX to XII

REGISTRATION DETAILS
Rs. 100/- per participant for Event
Rs. 500/- per participant for Miss Teen
Rs. 100/- per head for group with minimum of 5 member in a group

FORM SUBMISSION CAN BE DONE OFFLINE AT UNACCO SCHOOL KHONGMAN, UNACCO SCHOOL MEITRAM, UNACCO SCHOOL CHANUNG, UNACCO SCHOOL CHANURA

SCAN OR VISIT WWW.EDUCCON.IN FOR ONLINE REGISTRATION

LAST DATE OF FORM SUBMISSION 25TH OCTOBER 2026.

সনালৈবাক কী টেলিফোন নম্বরশিংঃ সার্ক্যুলেসন অমসুং ওফিসকীনা 9856120319 দা, গ্যাসকীনা, 9402247588 দা, ঈ-পাউগী ওইনা 8830812368 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9436829185 দা পাউ পীবিবা য়াগনি

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

BEFORE THE OATH COMMISSIONER, IMPHAL MANIPUR

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ/AFFIDAVIT

I, No. 3300566, (WO) Phajendra Chandra Rabha(33 AR), aged about 57 years, S/o Lt. Biyal Rabha, resident of Baida, Goalpara, Baida, Assam-783120 do hereby solemnly affirm and make oath as follows:

1. That, I am a citizen of India; holding Aadhaar Card bearing number 401850333686, issued by the Unique Identification Authority of India (UIDAI). This is true to the best of my knowledge.
2. That, in my service records/FSD, I haven't put my wife Date of Birth while giving the details at that time. My wife name is Lalita Rabha. Her Aadhaar no. is 210324152650. Also I have wrongly put my father's name in my service records/FSD. That I had put my father name as Biyal Chandra Rabha. This is true to the best of my knowledge.
3. That, the real/correct details to be put in my service records/FSD according to my father's and wife's Aadhar card should be under as below:-

   My wife (Lalita Rabha) DOB :- 24/09/1978.

   My father real name to be put is Biyal Rabha.

   This is true to the best of my knowledge.
4. That, I want to make correction of my wife and father details according to the correct record under my Aadhaar Card and my wife's Aadhaar card in my service records/FSD so as to avoid any complicacy in future. This is true to the best of my knowledge.

Verified on 13th day of October, 2026 at Imphal that the statement made in Para no. 1 to 4 of this affidavit are true to the best of my knowledge and which I verify believe to be true.

Sd/- **Phajendra Chandra Rabha**
Signature of the Deponent

SL/James/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
TULIHAL IMPHAL EAST

Md Rahman of Yairipok Ningthounai Makha Leikai
V/s
Khulakpam Fulwar Shahni
Petitioner

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dated, the 14th October, 2026

নোটিশ অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Md Rahman লৈফম Yairipok Ningthounai Makha Leikai লৈকায়দা লৈবা অসিনা মহাক্কী লোয়নবী Petitioner Khulakpam Fulwar Shahni অসিনা মহাক মশামক অসি Md Rahman গী Legal Wife নি হায়ররে। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়রে।

মরম অসিনা কনাগুম্বনা Petitioner গী মিংদা Legal Wife Certificate পীখিবদা য়ানিংদবা–য়েৎপিনিংবা লৈরেবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অফিস অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি, নৎত্রবদি হায়রিবা অসিগী মতুংইন্না লাকপা Objection ওফিস অসিনা লৌরোই অমসুং ওফিসকী হৌনবী মতুংইন্না process অসি অসি মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Tulihal, Imphal East

SL/Birjit/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
TULIHAL IMPHAL EAST

Konthoujam Thaba Devi of Poiroukhongjin Awang Leikai
Petitioner
V/s
Late Konthoujam Ibohal Singh

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dated, the 14th October, 2026

নোটিশ অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি (Late) Konthoujam Ibohal Singh লৈফমনা Poiroukhongjin Awang Leikai লৈকায়দা লৈবা অসি তাং ১২।০৮।২০২৬ ইন্দা লৈখিদ্রে।

মরম অসিনা মহাক্কী লোয়নবী Petitioner Konthoujam Thaba Devi অসিনা মহাক মশামক অসি লৈখিদ্রবগী Legal Wife নি হায়রে। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়রে।

মরম অসিনা কনাগুম্বনা Petitioner গী মিংদা Legal Wife Certificate পীখিবদা য়ানিংদবা–য়েৎপিনিংবা লৈরেবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অফিস অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি, নৎত্রবদি হায়রিবা অসিগী মতুংইন্না লাকপা Objection ওফিস অসিনা লৌরোই অমসুং ওফিসকী হৌনবী মতুংইন্না process অসি অসি মখা চখরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Tulihal, Imphal East

SL/Birjit/15

In the Court of The Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Case No. 444 of SDC(IE)/P of 2026 Dt. 14/10/2026

Anurani Toijam, D/o (L) Timothy Shyamsunder Toijam of Wangkhei Thangjam Leikai - *Petitioner*

-Versus-

Late Timothy Shyamsunder Toijam, S/o Toijam Birendra Singh of Wangkhei Thangjam Leikai - *O. P.s*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Porompat, the 19th May, 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East **Porompat** Circle কী Village No. 38-Top Dusera গী Patta No. 620 অরিবা 570/1651 অনৌবা Covered by C.S. Dag No. 1335 (Sheet-2) measuring an area 0.67 acre the share of Co-Pattadar 2, of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 2 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 2 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Porompat
Imphal East, Manipur

SL/Sush/15

Office of The
Imphal Municipal Corporation

ꯅꯣꯇꯤꯁ/নোটিশ
তাং 14-10-2026

No. 4/19/2022/IMCRev/Notice- **অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি** Women Vendor No. 1. Purana Bazar Shed No. 18, Seat No. 32 Licence No. 1734 **শ্রীমতি** Amina Bibi W/o Md Manjur of Keshergao Makha Leikai **গী মিংদা পানবা** Women Vendor /Licence Holder **অসি** Vendor **মশানা শ্রীমতি** Sofi D/o Md Suleiman of Kshetri Makha Leikai **গী** Vendor/Licence Holder **গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।**

মরম অদুনা Licence Holder /Women Vendor **গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা** Objection **তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০(তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা** Objection **তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা** Objection **লৌরোই অমদি** Lessee **গী মিং ওনখ্রগনি।**

Sd/-
Asstt. Municipal Commissioner
(Revenue)
Imphal Municipal Corporation

SL/Su/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref.: Mut Case No. 685/SDC/IW(C)-I dated 01/10/2026

1. Chingangbam Tabashini Devi, D/o (L) Chandramani Singh of Uripok Khaidiem Leikai
2. Chingangbam (N) Laishram (O) Ibechaobi, W/o L. Amochoubi and D/o (L) Chandramani Singh of Uripok Sinam Leikai .....*Petitioners*

-Versus-

(Late) Chingangbam Chandramani Singh, S/o (L) Angahal Singh of Uripok Khaidem Leikai .....*O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Lamphel, the 14th May, 2026

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Chingangbam Chandramani Singh, S/o (L) Angahal Singh of Uripok Khaidem Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 87-Uripok অরিবা পাট্টা নম্বর 160 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 285 (N) দাগ নং 2120 অমসুং এরিয়া 0.04430 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/15

In the Court of Sub-Deputy Collector, Bashikhong
Imphal East

Ref. :- Mutation Case No. 327/SDC/B/IE of 2026
Dt. 14/10/2026

1. Huirem Manglem Singh, S/o (L) H. Lalita Singh of Kongba Makha Nandeibam Leikai.
2. Huirem Hemochandra Singh, S/o (L) H. Tombi Singh of -do-

-Vs-

1. Late Huirem Lalita Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Uchekon
2. Late Huirem Tombi Singh, S/o (L) - do- of -do-.

ꯅꯣꯇꯤꯁ/ NOTICE
Bashikhong, the 14th Oct., 2026

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 37-Nandeibam Leikai পাট্টা নং 461 অনৌবা দাগ নং 176 মোট এরিয়া 0.59000 একর চাউবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার 1. Huirem Lalita Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Uchekon, 2. Late Huirem Tombi Singh, S/o (L) - do- of -do- দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিদা সত্তা ওইনা ফজন্নবে অমসুং নমা ওস্তোকপীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্লুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Bashikhong,
Imphal East

SL/Mei/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 739/SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 13/10/2026

Irom Bira Singh S/o Irom Thonglen Singh of Lamboikhongnangkhong .....*Petitioner(s)*

-Versus-

Irom Kulachandra Singh S/o (L) Irom Thonglen Singh of Lamboikhongnangkhon .....*O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Lamphel, the ., 202

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Irom Kulachandra Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 91 (A) Lamphelpat অরিবা পাট্টা নম্বর .... অনৌবা পাট্টা নম্বর 635/853 (N) দাগ নং 1790/1905 অমসুং এরিয়া 0.0203 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতু নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 738/SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 13/10/2026

1. Rajkumari Tamphasana Devi, W/o (L) Ibohal Salam of Uripok Kabrabam Leikai
2. Dr. Binanda Salam, S/o Dinesh Salam of Uripok Kabrabam Leikai .....*Petitioner(s)*

-Versus-

Salam Ibohal Singh .....*O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Lamphel, the 14th Oct., 2026

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিং দা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Salam Ibohal Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 88-Lalambung অরিবা পাট্টা নম্বর 385 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 694 (N) দাগ নং 4140 অমসুং এরিয়া 0.05060 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/15

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 737/SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 13/01/2026

Khuraijam Umeshwar Singh, S/o (L) Khuraijam Gunamani Singh of Sagolband Sadokpam Leikai .....*Petitioner*

-Versus-

Khuraijam Gunamani Singh, S/o Toyaima Singh of Sagolband Sadokpam Leikai .....*O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Lamphel, the 14th Oct., 2026

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Khuraijam Gunamani Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 85-Sagolband অরিবা পাট্টা নম্বর 1250 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 2303 (N) দাগ নং 17230/17776 অমসুং এরিয়া 0.00855 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতু নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/15

ঙসিগী রাষি ফল (১৫–১০–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ নিংলুবগা থেংনরিবশিংগা খেৎনবা, ৱাখল লৈতাদবা ওইরগনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। চৎথোক চৎশিন্দা মীতিন্নবদা হৈশিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেৎনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

বৃষঃ অশাওবনা মাঙজগনি। অপনবা, য়ৈখাইবা মায়োক্লরগনি। গাড়ী তপ্পা থৌগনি। তোখাই তাগনগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্রুগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

মিথুনঃ চেকশিন্না হোৎনজরবদি, অফবা–ফল ফংলগনি। পোৎ লৈবা য়াবা মিংচৎ হেনগৎপা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্ত ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

কর্কটঃ অরুবা থৌরম পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা, পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

সিংহঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, থবক্তা মায়পাকচবা, পোৎ চৈ লৈবা য়াবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা, লুচিংবশিংনা চানবীবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱাখল চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৱাখল চরাংনগনি।

কন্যাঃ চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরম খরদি মায় পাক্লগনি। অশাওবা লৈবনা থবক্তা, মী তিন্নবদি চেকশিলগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্রুগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল লাংগনি।

তুলাঃ হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। শেল পীথোক পীশিনদা চেকশিনগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি। য়েংশিনবা য়াম্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৱারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

বৃশ্চিকঃ থবক্তি পাঙথোক্লগনি। ইথক থোংবশিং, লুচিংবশিংনদি চানবীরগনি। চৎথোক চৎশিন্দা হৈশিংগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

ধনুঃ অপনবা য়ৈখায়বা, মুক্রবা থেংনরগনি। অচৌবশিংনা চানবীরবসু শাগৈনদি য়েংথিগনি। শেল চৎলগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্রুগনি।
মহৈরোয়শিংগী– হোৎননিংলোই।

মকরঃ খৎননিংবা, অশাওবা লোইরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নরগনি। লল্লানবশিং, মকোক থোংবশিংনদি চানবীরগনি। শন্তি লৈরোই।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৱাখল চঙলোই।

কুম্ভঃ থবক্তি পাঙথোক্লগনি। তোখাই তাগনগনি। অচুম্বদা অরানবা তাননবা শিল্লক্কনি। মীগী মতেং পাঙলুদবা ফগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

মীনঃ চাওখৎপা, ফগৎপা, থৌরম মায় পাকচবা, ঐগী মী মশিং হেনগৎপা। লম তু চৎপা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী– ৱাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – চাওখগৎলগনি।

Ministry of Rural Development
Government of India

Deendayal Antyodaya Yojana
National Rural Livelihoods Mission

Saras
AAJEEVIKA
Crafts by rural SHG women

দশহরা অসিদা, স্বাদেশীগী পাঙ্গলগা লোয়নননা
রাষ্ট্রীয় সরস মেলা
বিজয়ৱাড়া অন্ধ্রা প্রদেশতা লাক্লে

শঙ্গাবিগদবা

শ্রীমতি দ্রৌপদী মুরমু
ইকায় খুন্নজরিবা রাষ্ট্রপতি

শগোলশেল, ওক্টোবর ১৫, ২০২৬ অয়ুক পুং ১১ঃ০০
পুন্নামি ঘাট, বিজয়ৱাড়া, অন্ধ্রা প্রদেশ

লাক্ষপতি দীদিশিংগী অঙকপা হৈ–শিংবশিং য়েংবিয়ু

৬০০+
কুরেটেদ হেন্দলুম
অমসুং
হেন্দিক্রাফকী স্টোলশিং

১৫০০+
এস ঐচ জি
নুপী
ওন্টরপ্রেনিয়রশিং

৩২
স্টেট অমসুং য়ুটিশিংনা
ইন্দিয়া ফুন্দ কোর্টতা অশেংবা
মহাও পুরক্কদৌরি

৪
থিম পেভিলিয়নশিং
লাখপতি দীদি পেভিলিয়ন
বাইয়র সেলর পেভিলিয়ন
ৱারী ৱাতাই পেভিলিয়ন
দেমো পেভিলিয়ন

দিদিকেটেদ ক্লস্টর লেভেল ফেন্দরেসনশিংগী স্টোল ২৫ দা উৎকদৌরি

দীদিশিংগী
ইন্সটিট্যুসনগী খোঙচৎ

কলেক্টিভ
ব্যুজিনেস মোদেলস

ইন্টরপ্রাইজগী
মায় পাকপগী ৱারী

লাইভলিহুদ
ইন্টরভেন্সন

নুপীশিংগী সোসিও–ইকোনোমিক
ইম্পৱারমেন্ট উৎথোকপা

নেসনেল সরস মেলা
ওক্টোবর ৩১, ২০২৬ ফাওবা হাংগনি
অয়ুক পুং ১১.০০ দগী নুমিদাং পুং ৯.৩০ ফাওবা

আত্মানির্ভর ভারত,
ভোকেল ফোর লোকেল অমসুং নুপীশিংনা লুচিংদুনা খুঙ্গং চাওখৎহনবা
পূন্নমক য়ুমথক অমগী মখাদা পালন তৌবা

CBC 35101/13/0012/2627

লেন্না পার্কিং লেন্না চঙবা য়াবা

এডিটোরিয়েল

ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

মেরাগী ৫ নি পানবা শগোলশেন, ওক্তোবর ১৫, ২০২৬

[illegible]

[illegible]

খায়বুং তান্নবনা য়েক্লবা মায়োক্লবা ঙম্লোই

ইমা লৈবাক্কীদমক থবক তৌবসি থৱায় কংথোকপা খক্তা নত্তে

য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা অৱাবা তারকপা মতমদা অৱাবা হেন্না পীশিনবগী মহুৎতা ঙাক্লৌ পীবিবনা অচুম্বা থৌওং ওইবতা নত্তনা লৈবাক মচা তাবা খুন্নাইনি হায়না লৌগনি। ৱায়েলনবা কোর্ট লৈরি, কোর্টতগী অচুম-অরানগী ৱায়েল লাক্ত্রিঙৈ মীওই অমত্তা মরাল লৈরে হায়বা য়াদে হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু চুম্মী অমদি লাল্লি হায়নসু খঙদ্রিবা ৱাফম অমবু অতন্নবা পুথোক্লগা লৈবাক পুংজাউ থিন্দুনা মরাল থংজিন্নবা হোৎনবদি চফু কায়রগা ক্বাক্না হরাউবা তাদুনা তোক্কনি। লুচিংবশিংনা ইন্দিয়া অমদি মালেমগী মমিং লৈরবা শক্লাইরবা লুচিংবশিংগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি মশাগী ফুরুপকী মীনা অশোয়বা য়াওরকপা অমদি মরাল শিরকপা মতমদা মশামকসু য়াওরিবা ফুরুপ অদুবু মতৌ করম্না কনদুনা ৱা ঙাঙই হায়বা তমশিনবা চুমগনি। মীনা মরাল শিরকখ্রে হায়দুনা অচুম-অরান খঙদ্রিঙৈ ভাবনা শাগৎতুনা ৱা পঙাঙদা ঙাঙলবদি পুন্নমক শাউনরক্নি। দিপ্লোমেটিক ওইবা ৱাঙাঙ হৈবা অমা য়াম্না চঙই। অপঙ-থৌনাগী মওংদা চিন অমা পাল্লি হায়দুনা মশামক্কী ফুরুপপু চেক্তবা য়াবা ৱা ঙাঙবদি অশিংবা লুচিংবনি হায়না লৌবা য়ারোই। নাকল অনিমক্কী য়েংলগা ৱা ঙাঙবনা চুমগনি। ঙসি ঐখোয়-ঐখোয়না পায়রিবা ফম অমদি ওইরিবা পোষ্ট অদু পিবা ফম নত্তে। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি অতোপ্পা মীওই অমনা অমুক শোয়দনা ওইখিগনি। ঐনা-ঐনা ইপান ফরিঙৈ ঐনা থবক তৌরিবা মফম, ওর্গনাইজেসন, ইন্সটিট্যুসন অমদি লৈবাক অদুগীদমক ফনবা থবক তৌদুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা মীওই অদুবু অশিংবা লুচিংবা হায়গনি। মরাল লৈরে হায়রবা ফাওবদা ইফুরুপগী মীওই ওইরবদি ইশাগী ফুরুপ ইকায়বা নংবদা ঐ ইশাসু য়াওরিবনি হায়বদু খঙনা খরা খজিক খন্থরগা ৱা ঙাঙবা চুমগনি। নঙ-ঐ কনানো, কদাইদগী হৌরকপনো, করম্বা ইমুংদগী লাকপনো অমদি করম্বা খুন্নাইদগী থোক্লকপনো হায়বসি মানা-মানা ঙাঙলি-শক্লিবা অদুনা অদুমক মশক তাকচবনি।

ঙাঙথোরকপা অদুদা মীওই অদু মফুরুপ মজাতিবু নুংশিবনি অমদি খুদোং চাবা খরাগী য়েংলগা ৱা ঙাঙবনি হায়বসি অদুমক য়াম্না ময়েক শেংনা মমি তাগনি। অশোয়বদা ঙাক্লসি, মরাল লৈ-লৈতে খঙদ্রিঙৈদা মরাল লৈবগী মওংদা চৈরাক পীবগী থৌওং তৌরোইসি। ইফুরুপ ইজাতিগী মীওই ওইরবদি মরাল লৈরবা ফাওবদা ঙাকপীবগী থৌনা লৈগদবনি। য়েক্লবনা হাৎখিবদি অমরোমদা করিসু কায়দে, অদুবু ঐখোয় মশেল হাৎনরকপা হায়বসিদি ৱাখল তাদবা, খন্থবা ৱাৎপগী থৌওংনি শোয়দনা হায়নখিগনি। হৌখিবা চহী ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা লান ঙসিসু লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসি হান্না ঐখোয় পুন্না লোইশিন্নবা হোৎনসি। খায়বুং-খায়বুং তানবগী ৱাখল্লোলনা কৈদৌনুংদা য়েক্লবা মায়োক্লবা ঙম্লোই। চফু মনুংদা য়োক্তুনা থম্বা ঙাগুন্না চানিং-চানিংবা মতমদা ফাদুনা চাবগী মওংদা লাক্লবা হাৎনিংবা মতমদা মী হাৎলক্লবা অমদি য়ুম মৈ থানিংবা মতমদা থারক্লবা মতম অসিদা থৌওং অসিগী মায়োক্তা ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল ওনশিন্নরকপা হায়বসি য়াম্না লাইবক থিবনি। অতন্ননা লানগী অৱাবা মায়োক্লরিবা, চহী ৩ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা ৱানা পুন্সি হিংলিবা পুন্নমক অসি নাথৈদুনা পুনবা হোৎনরক্লব্রা হায়বগী চিংনবা মীচম মীয়ামদা ফাওরে। অচুম্বদি অচুম্বা ওইনা অদুমক লৈগনি। মৈবু ফীনা কয়াম কুইনা কুপ্পুনা থম্বা ঙমগনি। নোংম-নোংমগী য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা থাজনদবগী লেপ্পা লৈতনা ৱাংখৎলক্লিবা পল অসি ঐখোয় পুন্না নমখায়হৌবা চুমগনি। ইমা লৈবাক মণিপুর লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌ ফুরুপ পুন্নমক্কীনি, ফুরুপ অমা খক্তি নত্তে। ঐখোয়গী থৱায়দগী ইমা লৈবাক্না হেন্না লুম্না লৌফম থোকই হায়বসি কাউদবা চুমগনি। ইমা লৈবাক মণিপুর লৈরম্বগী ঐখোয় ইমাগী লৈবাক লৈহাউ অসিদা হিংবা ঙল্লিবনি। মমা লৈবাক নুংশিদবা অমত্তনা মতিক চাবা লুচিংবা ওইবা ঙম্লোই। ঐখোয় পুন্নমক ইমা লৈবাক নুংশিবা চঙই, ইমা লৈবাক্কীদমক থবক তৌবা হায়বসি থৱায় কংথোকপা খক্তনা নত্তে। তৌরিবা থবক মচাদগী হৌরগা অচৌবা ফাওবা পুকচেল শেংনা থবক তৌবা অদুবুসু অশেংবা ইমা লৈবাক নুংশিবা কৌগনি।

চীং-তম থোং মান্নবা শান্নরোই পুথোক্লবা, শান্নবা চাউখৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী ওইবা স্পোর্টস একাদমি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু লিংশি

শান্নবুংগী ৱা

এল কালা, উরিপোক

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক মরুওইনা হৌগৎল্লিবা নহাশিং অঙাংশিং পুন্নমক স্পোর্টস শরুক য়াবা থোরক্লবা অমদি চাউখৎনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাক্না চীংগী মফমশিংদসু খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা নেসনেল স্পোর্টস একাদমি অসিগুম্বা নোম্মুনাদা লিংবা য়াম্না মথৌ তাই। ঙসি স্পোর্টসকী পৱার হাওস ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়াদা ফিদা কল্লিবা অসি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ ৩৩ / ৩৪ অসিগী মরক্তগী মৈতৈ / মীতৈ হায়রিবা ফুরুপ অসিখক্তদগী থোরকপা শান্নরোইশিংনা হেন্না চাওবা থৌদাং লৌরগা কনবগী মমি তারি। ঙসি মণিপুরদা শান্নবগী ওইরিবা ফিভম মশক অসিদগী য়াম্না হেন্না পাকথোক চাওথোক্না চাওখৎনবা হোৎনবদা কাচিন কোয়া শিন-থুংনা খুন্দারিবা চীংমিসু স্পোর্টস এৱেয়র ওইহন্নবা পান্দমদা লৈঙাক্কী ওইবা স্পোর্টস একাদমি লিংবা অসি য়াম্না মথৌ তারক্লিবনি। নকশিন্নবগী তীন্নবগী খ্বাইদগী ফবা থোং অমসু ওইগনি হায়বসিদা থাজবা থম্বা তায়।

শান্নরোই ওইনা অমদি শান্নবা পামজবা থৱায় য়াওজবা ওইনা লৈরিবা পুন্নমক্না ঙসি ওইরিবা সনালৈবাক মণিপুরগী ওইরিবা খুন্নাই মশক অসিসু খঙমিন্নবা অদুমক মথৌ তায়।। লমদম অসি দেমোক্রেসিগী মরুমদা লৈঙাকসু মীয়ামসু মানা মানা থোকপা অনিংবা অপাম্বা পংতৌদা তৌনবা অমদি পঙাংদা ঙাংন-শরুবগী খুন্নাই মশক্লি। কনানা মৈ থানিংলে থাই, কনানা মী হাৎনিং লে হাৎলি, কনানা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা, প্রিন্ট মেদিয়াদা ৱাথী ৱারেপ ওইবা ৱা, ৱাথী ৱারেপ ওইদবা জ্ঞান লৌশিংগী ওইবা ৱা কয়া অমা ঙাং-শক্লি, ইরি ফোংদোক্লি। নাকোইন্না অমদি নাকোইন্দনা লৈঙাক্তা কানগদবা ৱা য়াও অমদি চৈবা য়াও লোয়ননা মীয়ামগী পূক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা ৱা কয়া অমা। কনানবু মৈ থারিবা, কনানবু হাৎলিবা অমদি কনানবু ঙাংলিবা ইরিবা ফোঙদোক্লিবা পুন্নমকসি কনানবু তারিবা, কনানবু পারিবা অমদি কনানবু লৌরিবা ইল্লিবা লৈঙাকসু মীয়ামসু মথোং খঙদে। অৱাবা অমগী মথক্তা অৱাবা অমা তপ্না তপ্না মথং মথং চীংগী তমগা অসুম লাপথোক্লরকপগী খুন্নাই মশক্লি। তশেংনা য়েক্লবা কনা কনানো মশক খঙলবসু য়েক্লবা মায়থিবা পীনবা নমথনবা লৈঙাক অমসুং মীয়াম পূন্সিন্নদুনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী মমি তাদে, মশক উদে। খুন্নাই চাওখৎলকপা হেনগৎলকপগী অহেনবা মমি করিসু তাদবা খুন্নাই মশক ওইরক্লি। ঙসি মীরোলগী নহা তুংগী য়ুম্বীনি হায়জরবসু সনাগী য়ুম্বী ওইরক্লবগী মমিদি তাদে। অহোয়নদুম ৱাদনা পৈশা তান্নিংবা অমদি নুংঙাইনিংবা কয়ানা অনিংবা অপাম্বা ওইরক্লিবা খুন্নাই নহাগী মশক ওইরক্লি।

রাজনিতি শান্নবা হৈবা হৈতবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং থৌদোক ৱাথোক থোকপা মতম মতমদা নীংশিংবা অমদি মরি লৈনবা ফজ ফজবা ৱা ঙাংবা পুন্নমক হিং চাবনি শরি শোনবা হায়নবগা পাঙ্খক ওইরি। লৈঙাক লুচিংবা খঙদে, মীয়াম খঙদে শান্নবা মনা মথুম পুরক্লকান মতাং মতমদা নীংশিংবা থাগৎপিবা অমদি লৈ পরেংনা ঙকশমদা থোন অসুম্না ওকপা খোৎপনা চৎনবি ওইরি। মল্টি স্পোর্টস কম্পিটিসন কয়াদা পূন্না চৎমিন্নখিবা শরুক য়ারুবশিং চৎলমদাই মতমদা বর পীবা থাগৎ ৱাহে খুদোল তম্বা তৌখিবা পুন্নমক মনা মথুম পুরক্তুনা হল্লকপা মতমদদি কনানসু নীংশিংনদে থাগৎপিবগী মমি তাদে। লৈ পরেংগী মহুৎ ইকায় ফিরুক্না মহুৎ শীল্লি। শান্নরোইগী নুমিৎ পালন তৌবদা লৈঙাক লুচিংবশিংনা অদু তৌরে অদা তৌরে অদু তৌরগনি হায়খিবা পনখিবা ৱা কয়া ৱাথী তারগা ৱারেপ তারগা অদুমক লৈবগী মশক্লি। ঙাং শকলিবা ৱা থবক ওইনা পাঙথোকপা তৌদ্রবদি শান্নবা চাওখৎপা ঙম্লোই হায়বসিদি শান্নবগী লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা লীংলিবা দিপার্টমেন্টনা নীংশিংদবা ওইনা লৈবগী মমিনি। অনৌবা মতমসিগা চান্নবা সাইন্টিফিক এক্সপমেন্টগী খুদোংচাবা ফংবা ইনফ্রাষ্ট্রাকচর শেমগৎ শাগৎপগী মমি তাদে। শান্ন-খোৎনবা চাওখৎনবগী মতাংদা কনা অমত্তনা ইহৌ শাগৎতুনা রেল্লি চৎতুনা বন্দ তৌদুনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা দিমান্দ তৌবগী মমি তাদে। ৱাজনিটি শান্নবশিংন রাজনিটিগী ওইবা ইসুদা কনা খঙহন্দনা আ-পলোন তরেৎকী ৱাংমদগী শাগৎলগা ইল্লকপা ইশু মহৈ চারোইদবা ৱাফমগী ওইবদদি মীয়াম হুপ্না চোং ফন্দুনা লাও-খোংবগী মমিনা লমদম অসিগী চৎনবী ওইরি। পুন্নমক পৈশা খরবু ফংলবদি হায়না হৌ হৌ চোংবগী তারিবা মমিনি।

অচুম্বনি অফবনি লেপ্পা ঙমদবা লমদম অসিগী ইশু কয়াদা মাঙজিল থানা চোংথোরক্লিবা চোংথোরক্লিবী থৌনা ফবা ইপা-ইপু লুচিংবা অমদি থৌনা ফবী ইমা লুচিংবী মখোয়না তৌবা য়াবা শান্নববু ইকায় খুম্নবা ওইনা হন্দক্তা ২০শুবা এসিয়ান গেমস শরুক য়ারুবা মনা ফংলক্লবী ফংলক্লবা শান্নরোই অমদি ফং লক্তবা ফংলক্তবী শান্নরোই অমদি কোচ মখোয় পুন্নমক পূক্লিং থৌগৎপা ওইগদবা থৌরম অচৌবা অমা লৈবাক পুংজাও থিন্না মপান কাংজৈবুংদা ওকপগী থৌরম পাঙথোকপদি করি কায়। মখোয়গী ইচং থৌবা মতিং শান্নবরোমদা খরদং শীজিন্নবদি লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিং নহাশিং অসি মশা মউ ফনা অচঙবা তুংগী য়ুম্বী ওইগনি হায়বসি মখোয় খঙবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? মালেমগী ওইনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হোংলক্লিবা মওং মতৌ মশক কয়া অসি মীচম মীয়ামগী লুচিংবা লুচিংবী ওইরবদি মখোয়সু খঙবা মথৌ তায়। খুন্নাই অমা চাউখৎনবা হোৎনবদা শান্নবনা অমসুং ইদুকেসননা লৌরিবা থৌদাং অসি মখোয়না খঙদ্রিবা করিগীনো? মখোয়না খঙদ্রবদি লমদম অসি করম্না চাওখৎপা পুরক্কদৌরিবনো? লম অসিদা শান্তি পুরক্লবা চাওখৎপা পুরক্লবা হায়বরোমদা মখোয়না লাওরিবা খোল্লাও কয়া অমদি ৱাথি ৱারেপ তাদুনা থুমনা ঈশিংদা তুল্লগা মাঙখিবগুম মাঙখ্রিবসি লুচিংবা খঙদ্রবসু মীওই খরনদি খঙই, মখোয় মখোয়না রাজনিটিগী মরুমদা কান্নবা খরা ফংনা লাও খোঙদুনা শান্নবা লিলা কয়া অসি। অদুবু খঙলবসু ঙানা ঈশিং মনুংদা ৱা ঙাংবা য়াদনা তুমিন্না লৈবগুম লৈবগী ৱানি।

নুংঙাইবগী মশক ওইবা হায়বসি অকা অকুম নায়বা মীওইবগী পূন্সিনি। নিংথৌগী শাসনবু ওইরবসু নত্রগা প্রজাতন্ত্রগী শাসনবু ওইরবসু মাগী মাগী মতম লোয়রকপা নায়বা অমা লোয়নরগা চৎলিবা শাসনগী মচৎনি। তৌবগীদি ৱাফম অসি শাসনগী ৱা ঙাক নৎতবদসু হিরম অমমমদা মমিং চৎলবা ফাওর ফাওরবা মীওই কয়া মাগী মাগী মতাং মতম লোয়রগা শিবা নায়বা মীওইবগী মপোক ওইবনা শিবা ঙায়না হিংলল্লগা অফবা তৌরম্বনা অফবা তৌরম্বগী মিং, ফৎতবা তৌবা ওইরগনা ফৎতবা তৌবগী মিং থনল্লগা শিখিবা ঙাক্তনি।

শান্নবদা খঙদে, খুৎলায় পায়ন্দুনা শোক্লবা লানফমদা খঙদে, মায়োক্নরিবা লম্বা মায়থিবা পীবা ঙম্নবা হোৎনবা মতাং মতমদা মীনম্বা মীনমদবা শেম-শাজিনবা ৱাহে ৱাতা ঙাং শকপা অমসুং চৎন কাঙলোন থুগায়বা (ফাওল) ঙম্না ঙম্নবা মখল মখা কয়াগী উপায় তৌবা শীজিন্নবা হায়বসি আ-লাই হাক্তক্তগী তৌন্দুনা চৎন্দুনা লাক্লবা অমনি হায়বসি হায়বা য়াবা ৱাফমনি। ৱাফমসি খঙমিন্নবসু মথৌ তায়। শান্নবদা মরুপ লৈতে, লানদা ধর্ম্মা চৎনদে লো চৎনদে। অদুবু ধর্ম্মা চৎনবা নায়বা মীওইবনা ধর্ম্ম কায়বা থবক থৌরম তৌবা অমা ৱাহে ৱাতা ঙাং শকপশিং অসিগীসু মরালনা মপোৎ ফারকপগীনি হায়বা অফবা ফল ওইদবা ৱাহে ৱাতা অমা লাইওইখ্রবা ইপু-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা লৈ হায়বসি ঐখোয় কাওন্দবসু ফৈ।

শান্নরোই অমনা নৎত্রগা কাঙলুপ অমনা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙ্গা মাগী অমদি মখোয়গী থৌনা পীবা ওইগদবা অদুগা মায়োক্নগাদৌরিবগীনা পূক্লিং ৱাখল শোন্থবা ওইগদবা ৱাহে-ৱাতা শেমজিন শাজিন্দুনা ঙাংনা শক্লবা মায়কৈ অনিদগী মোর্দন স্পোর্টসকী মতম অসিদসু ঐখোয়না তারিবসিনি। উরিবসিনি থেংনরিবসিনি। শান্নবগী লমদা মালেমগী ওইনা ফুটবোলগী জগৎতা ফাওরবা পেলে, মরাদোনা, রোনাল্ডো, মেসি মখোয়দা নৎতবা ফুটবোল্লর কয়া, ইরোয়বদা ফাওরবা মার্ক স্পিপ, এঠলেটিকষ্ট ফাওরবা ডেলি থোমসন, কার্ল লুইস, বোক্সিংদা মোহামদ অলি, মখোয়সিদা নৎতবা অফাওবা মমিং চৎলবা কয়া অমা মায় পাক্লবা হোৎনবদা চৎনা কাঙলোন থুগায়রম্বগী ৱার্নিং কয়া চাদুনা বুক তৌদুনা শান্নবা শরুক য়াহন্দবা ফাওবা য়াওনা দন্দি ফংদবা অমৎতা য়াওখিদবা নৎতে। অদুবু মখোয়গী হৈথোই শীংথোইবা তমজ নিংঙাই ওইবা কয়া অদুবুদি ঙসিসু ঐখোয়না কাওদনা নীংশিংনরগা শক শোন্দুনা লৈরিবা অসিনি।

ধর্ম্মগী পাউতাক কয়ানা য়োল্লবা মহাভারতকী ৱারীদসু গদা পায়রগা ফুন্নবদা হৈশিংলবা জগৎতা লম্বা লৈত্রবা মায়থিবা পীবা ঙম্লরোইদবা ভাগবানগী কৃপা ফংলবা দুযধোনবু ভীমনা চৎনা কাঙলোন থুগায়দুনা খ্বাংগী মখা খুরাইদা থোমদুনা মায়থিবা পীদুনা হাৎখিবগী ৱারী তানরিবসিনি। অসিদা নৎতনা মায়োক্লবা লানফমদা তেন অমুক্কী খুৎকাপ্তা জগৎ অসিবু মাঙহনবা ঙম্বা গুরু দ্রোন মায়থিবা পীদুনা হাৎনবা হোৎনবদা ধর্মা রাজ যুধিষ্টিরনা দ্রোনগী মচা ওইরিবা 'অশ্বথমা শিরে, শিরিবদি শামুনি' হায়বা শেমজিন শাজিনবা ৱাহে ৱাতা ঙাংদুনা মায়থিবা পীদুনা হাৎখিবগী ৱারী তারিবসিনি। অদুগা অমুকসু ৱাতোননা ৱাংলবদি ক্বাকনা ফমদেকই হায়বগুম্বন্দনা মরা চাম্মা লঙশিন্দ্রিবা ফাওবদি শুংশি শিররোইদ্রবা ভাগবানগী কৃপা ফংলবা শোয়নাইনা পোক্লকখিবা শিশুপালনা নাপলনা মরম ওইদুনা মরাল চামগী ৱাফম কাওথোকখিদুনা মরাল চামা লংশিংনবা নুমিৎতা ভাগবান শ্রী কৃষ্ণগী সুদরসন চক্রনা মঙক কক্তুনা হাৎখিবগী ৱারীসু তানরিবসিনি। পুন্নমক অসিদগী ঐখোয়না ফংলিবা ৱাফমসি থবক থৌরম খুদিংমক মতাং মতম চানা শীজিন্নবা ঙম্বা তায় হায়বসিনি।

মতমবু মীওইবা ঐখোয়না মাঙহন্দনা শীজিন্নবা ঙম্বা হায়বসি ঐখোয়গী চাওখৎনবা ফগৎনবা হোৎনবগী খ্বাইদগী ফরবা লম্বীনি। ঐখোয় খঙমিন্নবা য়াম্না মথৌ তায়। ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা লাইরিক লাইশু তম্লিবা নহাশিং অমসুং শান্ন-খোৎনবা তম্লিবা শরুক য়ারিবা নহাশিংনা মতমবু নুংশিনা পাম্মুনা শীজিন্নবা ঙমদুনা হোৎনরবদি পূন্সিদা মায় পাকপা মতিম চাবা মী অমা হায়বদু শোয়দনা ওইগনি হায়বসি থাজবা থম্বা তায়। ঙসিগী ইশু কয়াদা থৌনা ফনা চোংথোরক্তুনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা ইমাশিংনা নেপোলিয়ন বোনাপার্টনা হায়বা ৱা 'অফবা ইমা অমা পীয়ু, অফবা চাওখৎপা নেসন অমা পীগে' হায়বা অসি ৱাহন্থোক খন্না চেন চোংবা মতম ওইরে। খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসি ইদুকেসন অমসুং স্পোর্টস অনীসি মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কাচিন কোয়া শীন থুংনা য়ৌহন্দ্রিবমখৈ চাওখৎপা তানবা ঙম্লোই হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ইমাগী থৌদাং চাওই, ইমাগী মগুন মাঙদনবা হোৎনবদা ইমা মশাখক্তা নৎতনা ইমাগী ইচা-ইশু, ইমুং-মনুং লৈমিন্নরিবা পুন্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়বসিসু ঐখোয় খঙমিন্নবা য়াম্না মথৌ তায়। ইমাশিং মীৎকপ থোক্তুনা শান্নবা চাওখৎনবা থাক ৱাংখৎনবরোমদা মায় ওনশিন্দুনা মৈরা পায়শি শান্নবগী মৈরা পায়বি ওইশি।

মণিপুরদা নিংথম মহৈ মরোং ওইনা হৱাই থাবা

ভুবনেশ্বরী এস

হৱাই মখলশিংগী চীঙাক অসি ফৌ মহৈ মরোংশিং (সিরিয়েলস) গা পুন্না চামিন্নবদা তঙাইফদবা চীঙাক মচল ওইবনা মরম ওইরগা ভারতকী মীশিং য়াম্বনা মরুওইরবা চান্নবা চীঙাক্কী মচল ওইরি। মালেমগী মফম পুন্নমক্তগী ভারত্তনা হৱাই মহৈ মরোংশিং (পলসেস) না পীবা চীঙাক্কী মচিনা চাংচত্তা হেনবনিনা চীঙাক মহৈ মরোং মখল অসিগী কান্নবা মরুওইবদুসু হেল্লি। হৱাই পাম্বী অমমমনা মশানা মশাগী নাইট্রোজেন শুংজনবা ফেক্টরি ওইজৈ অদুনা মশাগী তঙাইফদনা চঙবা নাইট্রোজেন মচল পীবা ঙমজৈ লোয়ননা মথংগী থাগদবা মহৈ মরোং দসু কান্নবা পী। মসিগী মথক্তা পলসেস মহৈ মরোংশিং অসি শা ষণগী মচীঙাক অমসুং শজিক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। মসিগী মথক্তা মখোয়গী চীঙাক মচি ৱাংনা য়াওবা অমসুং নাইট্রোজেন ফাজন্দুনা থম্বা ঙম্বগী মপাঙ্গল য়াম্না লৈবনা মরম ওইরগা লৈহাও ফগৎহনবদা মতেং চাউনা পাঙই। ফিজিকেল অমসুং বাইওলোজিকেলগী ওইবা মচল ময়াম অসিগী ফিভম ফগৎহনবনা মরম ওইরগা মখল মখা কয়াগী চেঙ ফৌ থাবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগী ফিভমসু লৈ।

কালেনগী মতমদা মণিপুরদা রাইসবিন, উর্দ বিন, পিজন পি গুম্বা মহৈ মরোংশিং চীংগী লমদমদা থানরি অমরোমদনা পিয়াস, লেনটিল, লাথায়রস অমসুং চিকপি হায়রিবা মহৈ মরোংশিং অসিনা লমলেম ওইনা লৈবা তম্পাক্কী লমদমদা নীংথম মহৈ মরোং ওইনা থানৈ। নীংথম মহৈ মরোং মখলশিং অসি তম্পাক অমসুং চীংগী লমলেমশিংদা থানরি। পলসেস মখল অয়াম্বা য়ুমগী কিচন গার্দেনদা থানৈ। খরিফ মতমদা ফৌগী মহৈ মরোংনা হেন্না পাম্না থানৈ অদুগা নীংথমথাগী মতমদনা নোং চুদবা অমদি ইথৈ লৌখোং ফত্তবনা লৌবুকশিং অসি হাংহল্লগা থম্মী।

পলসেস মহৈ মরোং ফগৎহন্নবগী ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা হৱাই থারগা লেমহৌবা নাইট্রোজেনগী শরুক্তু শীজিন্নদুনা পলসেস চাথোক হেনগৎহন্নবা মচাক ওই। মফমসিদা পলসেস থাবগী মওংশিং অমসুং মণিপুরদা চাথোক হেনগৎহন্নবা মরমশিং ঃ

হৱাই মঙ্গলঃ

পলসেসশিংগী মরক্তা হৱাই মঙ্গল হায়না খঙনবা হৱাই মখল অসিনা পলসেস থানরিবা লৌফম পরি ২৬,০০০ গী মনুংদা চাদা ৮৫ গী লৌফমদা থাদুনা চাথোক টোন ২১,৮০০ পুথোক্তুনা পরিদা কেজি ৮৩৭ পুথোক্লি। লমদমসিদা থানরিবা হৱাইমঙ্গলশিংদি মখয়াৎ মুবী, মকু চাবী হায়রিবা মখলশিং অসি মশা পুম্বা নৎত্রগা মরুদমক চানবা লৌমী মীয়াম্না থাই। অদুম ওইনমক মসি ৱাংই অমসুং চৈ য়ুংবা তঙাইফদবা লৈ। লোয়নননা পাউদরি মিলদিয়ু (অঙৌবা মহি তাবা) অমসুং রষ্ট (কোষ্লিং) গী লায়নাশিং তাগল্লি। চাথোক লৈবা মখলশিংগী মরক্তা রাচনা হায়রিবা মখলসি মীয়াম্না পাম্না থানৈ। অৱাং নোংপোক লমদমদা পলসেস থাবগী থবক হেন্না পাম্নহন্নবা আই সি এ আর ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পলসেস রিছার্চ, কানপুর (য়ু পি) ইং কুম ২০১৪-১৫ দা ফজনা মতেং পাঙনবা থৌওংশিং চাংয়েং পাঙথোকখি। মসিদা আই পি এফ -৫১৯ (অমান), আই পি এফ ৬-৩ অমসুং আইচ য়ু দি পি ১৫ হায়রিবা মখলশিং অসি মণিপুরদা হান্না থানরিবা রাচনা মখল অসিদা পরিদা টোন ১.০-১.৫ ফাওবা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা থেংনরে।

মুকসোরিঃ

মীয়াম্না মুকশোরি হায়না খঙনবা হৱাই মখল অসি মণিপুরদা মীয়াম্না পাম্না থানদে। অদুম ওইনমক মহৈ মরোং মখল অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চহী খরা অসিদা থাবা হৌরক্লি অমসুং মীয়াম্না পাম্নবা হেনগৎলক্লি। মরমদি হৱাই মখল অসি অমুক তকখায়বা য়াওদনা মপুম ওইনা পুল্লপ চাবা য়াই। লমদমসিদা থাবদা চাথোক লৈবা থেঙনরিবা মখল খরদি পি এল ৪, দি পি এল ৬২ অমসুং আই পি এল ৮১ নি। অপিকপা মরু পানবা মখল আইচ য়ু এল ৫৭ অসি লমলেমদা থাবদা চাথোক লৈবা থেংনৈ।

চনাঃ

মীয়াম্না চনা হায়না খঙনবা হৱাই মখল অসি চীং অমসুং তম্পাক্কী অপিকপা লমদমদা মপুং ওইনা (হিংনা, ফুৎলগা, তাওরগা, ঙাল্লগা, মতোন চোংহল্লগা) নৎত্রগা হৱাই কাঙতক নৎত্রগা মকুপ ওইনা চানৈ। অদুম ওইনমক মণিপুরদা মসি অহিংবা মকু পানবা মশা ওইনা য়োল্লি অমসুং মরুদগী হেন্না শিংলি। চাথোক লৈবা মখলশিংদি রাজাস অমসুং জে জি ১১ হায়রিবা মখলশিং অসি থাবদা চাথোক লৈবা থেঙনরি।

কশারিঃ

মসি 'কশারি' হায়না খঙনবা মণিপুরগী তম্মীশিংনা থানবা হৱাই মখলনি। ইংলিসতা গ্রাস পিঅ, হিন্দীদা খেসারি অমসুং বেঙ্গালিদা কশারি হায়নসু হৱাই মখল অসিবু খঙনৈ। মসি চিক পি এ গী য়ামগী মহুৎ শীন্নবা থানৈ অমসুং লেঙদবা লমদোংশিংদা থাই। অশংবা মনা পানবা শরুকশিংনা ষণ শজিক ওইনা পীজৈ অদুগা অকংবা মরুশিংনা য়ৈথোক্লগা য়াম ওইনা তক্তুনা শীজিন্নৈ। মরুশিং অসিদা বি ও এ এ (বি-এন-ওক্সালিল-এমায়নো এলাইনাইন), হায়বা মীওইবদা লাথায়রিসম কৌবা লায়না থোকহনবা ন্যুরোতোক্সিন য়াওই। মরুদা বি ও এ এ অসি চাদা ০.১ দগী ২.৫ ফাওবা য়াওই। অদুম ওইনমক চাদা ০.২ দগী হন্থনা বি ও এ এ য়াওবা মরু চাবদা মীওইবদা অকায়বা লৈতে। চাথোক লৈবা বি ও এ এ হন্থনা য়াওবা মখল খরদি বাইও এল ২১২ (রাতন) অমসুং প্রাতিক হায়রিবা মখলশিং অসি ঈশিং মনিল হন্থনা য়াওবা মফম ফাওবা থাবদা হৌবা ঙমই।

মরু অমসুং মরু শেম শাবাঃ

অফবা মরু হায়বসিনা অফবা পান্থী ওইহনবা অমসুং চাথোক হেন্না পুথোক্লবা পান্বৈনি। মরুশিংদু কারবেন দাজিম, থিরাম, কাপতোন নৎত্রগা ব্রাসিকোল হায়রিবা হীদাকশিং তোৎপগী থবক অসি হুনগদবা নুমিৎ ৩ নি ৱাংলিঙৈদা তৌবিগনি। লৈশৌ তাবা মফমশিংদি এলড্রিন হায়বা তিলহাৎ হীদাক তোৎলগা শেম শাবিয়ু। রাইজোবিয়ম শীজিন্নদুনা মরু চারা শেম শাবনা মরুদা নাইট্রোজেন তুংশিন্দুনা থম্বদা মতেং পাঙই। মসিনা হুনগদবা নুমিৎ ৫ নি ৱাংলিঙৈদা তৌবিগদবনি।

থাবগী মতম ঃ

খ্বায়দগী চানবা নীংথম মহৈ মরোং পলসেস হুনবগী মতম অসি মেরা (ওক্টোবর) গী চয়োল অনীশুবদগী হিয়াঙ্গৈ (নবেম্বর) গী অনীশুবা চয়োল ফাওবনি। থেঙথনা হুনবনা চাথোক শাথিনা হন্থহল্লি। অদুম ওইনমক মণিপুরদদি মসিগী মরু মরাংশিং অসি লমলেম অমসুং ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা থাবা ওইবনা অমসুং কংবা মফমদা থাবনা মরম ওইরগা নোংজু মতম লোয়খিবা অমসুং ফৌ মুনবগী মখা পোল্লি। অথেংবা মেরা নৎত্রগা অঙনবা হিয়াংঙৈগী মতম হুন্নবগীদমক লৌ লোক্কদবা নুমিৎ ৪-৭ নিগী মমাঙদা লেনতিল নৎত্রগা লাথায়রস মরুশিং হুনগদবনি। অদুম ওইনমক ফিল্ড পি দি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঈশিং মনিল য়াওদবা থেঙনরবদি ঈশিং চনবিগনি।

লৌফম শেম শাবাঃ

মসিগী নীংথম মরু মরাং অয়াম্বা লৌ লোকথোকখ্রবা লম্লেমদা থাই, ঈশিং মনিল য়োকখত্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওই। লৈচঙ লুনা খোইদোক্তবা ফৈ। মসিনা ঈশিং মনিল য়োক্তুনা থমই। অদুনা খজিক্তং খোইদোকপনা ফৈ। মসি মরুশিংদু ফৌ হৌরিঙৈগী মতমদা থাবা ঙমদ্রবদি ফৌ মখোক্না কুপশিন্দুনা ঈশিং মনিল মাঙহন্দনা মরু হুনখ্রবা মতুংদা থম্বা ফৈ। মসিনা অইং অশা চাং চানা থমদুনা মতোন থুনা চোংহল্লি।

ইন্সাং-নাপীগী লায়না তীলনা

নবকিশ্বর ঙাংবম

ঐখোয়না থানরিবা ইন্সাং-নাপীশিং অসিবু মখল মখা য়াল্লবা তীল অমসুং লায়নাশিংনা মাঙহন্নবা তৌরি। পান্থীগী লায়নাশিং অসিদি কোকফাই শুজা (ফঙ্গস), বেক্টরিয়া অমসুং ভাইরসশিংনা থোকহল্লি। অদুগা তীলশিং অসিসু মপানগী মনাশিং ফোংনা চাবা, মনুংদা হুক্তুনা চঙখ্রগা চাবা নত্রগা পান্থীগী মহী চুপ্পুনা হিংবনচিংবা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিং য়াওরি। অসিদা নত্তনা লৈনুংদা লৈরগা পান্থীগী মরাশিংদা শোকহন্দুনা মরাবু তাংবোম নাইহনবা য়াম্না কুপখ্রবা নিমাটোদ হায়না খঙনবা তীল মখল অমসু লৈরি। হায়রিবা মখলশিং অসিদগী পান্থীশিংবু কন্ননবা শীজিন্নগদবা হীদাকশিংসু তোঙান-তোঙাল্লি। লায়না তীলনাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা চপ চাবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎহৌদ্রবদি থারিবা পোৎ পুম্বা পুম্মাঙ মাঙবগী ফিভম য়াওরকপা য়াই। মরমদা কুপ্না খঙজিনবগী তঙাইফদবা য়াম্না লৈরে।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবনা লায়েংবদগী হেন্না ফৈ হায়বা পাউরৌ অদু মতাং অসিদা য়াম্না চানৈ। ভাইরস নত্রগা কোকফাই শুজানা পান্থীগী কয়াৎনুংদা অমুক্তং চঙখিবদা মদুবু মপুং ফানা লায়েংবা হায়বসে ওইথোক্তে। অসুন্না হকথেংননা হাৎপা ঙমদবা তীল কয়ামরুমসু লৈরি। মতম চানা হোৎনহৌদ্রবদি অরেম্বদা মাঙবা পাঙ্গল, শেল অমসুং মতমগী চাং য়াম্না ৱাংবা হেনগৎনি।

অপাকপা লমদা শেন্দোংগীদমক য়েংদুনা ইন্সাং-নাপীশিং থাগে হায়রবদি ফঙ্গিসাইদ (কোকফাই হাৎনবা হীদাক) অমসুং ইন্সেক্টিসাইদ (তীলহাৎ হীদাক) শীজিন্নদবা য়াদে। কোকফাইশিং হাৎনবা য়াম্না চন্নবা বোর্দো মিকচর হায়বা হীদাকসি মহী ওইনা য়ুমদা শেমজবসু য়াই অদুগা মোলোমগী মওংদসু ফংই। কোপর সলফেট, শুনু অমসুং ঈশিং য়ান্নরগা শেম্বনি। কোকফাইগী অতৈ হীদাকশিংদি ক্যুপ্রস ওক্সাইদ, কোপর ওক্সিক্লোরাইদ, কেপ্টান, জিরাম, মানেব, জিনেবনচিংবনি। মখোয়বু শীজিন্নবা মতমদা শারক্লিবা ফার্মশিং অদুগী পাউতাকশিংদু ইনগদবনি। তীলহাৎ হীদাক্কী মখলসু য়াম্না ফংলে। অদুম ওইনমক শোকপগী চাং হন্থগদবা নৎত্রগা ময়াক য়াম্না কনমন্দবা হীদাকশিং শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্সাং নাপীশিংদা কাপ্নবগীদমক মালাথাইওন হায়রিবসি য়াম্না ফরবা তীলহাৎ হীদাকনি। অদুগা পান্থীদা পকখিবা হীদাক্কী ময়াকশিংসু হেক মাঙঙু য়াদবা মরম্না হেক্কদবা নুমিৎ ১৫ নি শুদ্রবদি হীদাকশিংসি শীজিন্নবিদবা ফৈ।

ভাইরসনা নাহল্লবা পান্থীশিংদি লায়েংবা ঙমদে। খামেন অশীনবা, আলুনচিংবদা ভাইরসনা নাহল্লকপদা চাং নাইনা হীদাক কাপ্পুনা শন্দোরক্লিবা তীলশিংদু হাৎলবদি শোক্লকপা য়াবা চাংদু খরমখৈ হন্থহনবদি ঙম্মী। ভাইরসকী লায়নানা নাগান্দবা জাৎ খল্লগা থাবা অমসুং নারক্লবা পান্থীশিং ঙল্লিঙৈদা ফুক্তোকহৌবদি য়াম্না কান্নৈ। ভাইরসনা নাবা ঙমদবা জাৎ খরদি চাথোক লৈবা মখলগী পান্থী নৎত্রবা ফাওবদা শেন্দোংগীদমক য়েংদুনা থাবদদি কান্নৈ।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা লোয়শঙনা অমসুং এগ্রিকলচরগী য়ুনিভর্সিটিনা অকক্লবা ইন্সাং নাপীশিংগীদমক্তা শীজিন্ননবা অয়াবা পীরবা হীদাকশিং অমসুং মখোয়বু শীজিন্নবগী মওং অমসুং শীজিন্নবগী মতম্নচিংবসি শেন্দোংগীদমক য়েংদুনা পোৎ থারিবশিংদদি খঙজিলহৌবদা য়াম্নমক কান্নগনি। লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং ওইনা মরুশিংবু হীদাক্তা তোৎহৌবা হায়বসি তঙাইফদবনি। কোকফাইশিংগীদমক্তদি মরু কিলো অমদা (ক) সেরেসান গ্রাম ৩-৪ নৎত্রগা (খ) কেপ্তান গ্রাম ২-৪ ফাওবা হাপ্লগা তোৎপা য়াই। লৈবাক্তসু চাইহৌগে হায়রবদি কেপ্তান চাদা ৫০ কিলো অমগা ঈশিং গেল্লোন ১০০গা য়ান্নরগা মদুদগী গেল্লোন ৫ না স্কৱার ফুট ১০০ পাক্লা চাইবা য়াগনি।

লায়না মাল্লগা নত্তবা খরাঃ-

১। লৈহাওদা বোরোন অমসুং কেলসিয়ম ৱাৎলবদি খামেন অশিনবগী মহৈদু চেকখায়বা অমসুং মহৈগী মতোন্দু পুমগনি।

২। বোরোন ৱাৎপনা বীট অমসুং তরনিপতা ''ক্রাউন রোট'' থোকহল্লি। মেঙ্গানিজ ৱাত্তুনা মনাদা নাপু মচুনা লাংলক্লবদি মেঙ্গানিজ সলফেট চাদা ০.০২ কাপ্লগা ফৈ।

৩। য়াম্না শীনবা লৈহাওশিংদা হৌবা কোবীশিংগী কাংলুপকী মনাশিংদা মেগ্নেসিয়ম ৱাৎপগী খুদম উৎলক্কনি। মেগ্নেসিয়ম সলফেট ঈশিংদা থীৎলগা কাপ্পা কান্নগনি। লৈহাওগী অশিনবা হন্থনবা শুনু চাইদুনা পি ঐচ ৫.৫ ফাওবা য়ৌহল্লবসু খুদমশিং অদু উরম্লোই।

মনা-মশিং থাবগী কেলেন্দর 'ওক্টোবর'

নিংথমগী ইন্সাং নাপিশিং অদুম হুনবা য়ারি। সেপ্টেম্বরদা হুনখিবা চারাশিং লিং থোকপিরো। খামেন অশিনবগী চৈঙাক য়ুংবিবগা লোয়ননা হিদাকসু কাপথোকপিরো। লোকপা য়াবা ভিজিটেবলশিং লোকপিরো।

নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম লোইশিন্দ্রবদি নরানসৈনা খুলগী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লগনিঃ কম্মিটি



মোইৰাং, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফুবালা জি পিগী মনুং চন্না লৈবা নরানসৈনা খুলদা পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম লোইশিন্দনা লৈরিবসি ঙসিদগী নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা ঈশিং পীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থবক পায়খৎত্রবদি খুল অসিগী মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ভিল্লেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি নরানসৈনাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর আর কে বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

মোইৰাং এ সিগী মনুংচনবা নরানসৈনা খুলগী মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা ভিল্লেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি নরানসৈনাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর আর কে বিক্রমজিৎনা পাউমীশিংদা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা অফবা থক্লবা টোটিগী ঈশিং ফংহন্নবা পান্দমদা পায়খৎখিবা জল জিবন মিসন স্কিমগী মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নরানসৈনাদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা পায়খৎলিবসি চহী য়াল্লে। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা অচৌবা চৈথেং পীরিবা খুল অমসু ওইরিবা লোয়ননা রেদ জোন এরিয়াদা লৈবা খুঙ্গং অমা ওইনা মীয়াম্না হিংনবগী লম্বীদা অৱাবা কয়া হৌজিক হৌজিকসু মায়োক্লরি। অদুবু ঈশিং হায়বসি হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইবদা নত্তনা মরু ওইনা থক্ল–চানবা ঈশিং মীয়ামদা পীনবগীদমক স্কিম অসি পায়খৎখিবনি। অদুবু চহী কয়া অসি থবক লোইশিন্দবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না অফবা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি।

হৌজিক থবক লেপ্তুনা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা খুল অসিগী মীয়ামগী অৱাবা খঙনা অথুবদা লোইশিন্দুনা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংনবা হোৎনবিয়ু। ঙসিদগী নুমিৎ ৫ নি ফাওবগী মনুংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি থবক হৌহন্দবা তারবদি ভিল্লেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি নরানসৈনা অমদি খুঙ্গাশিংগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অদুদা কম্মিটি অসিগী থৌ পুবা অমদি মেম্বরশিং লোয়ননা খুঞ্জা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

বামোন অমুমচাগী পূক্নিং লৌশিং

ওন্থোকপা মখলগী সমাধি

টামিল ফিল্মগী এক্টর মেজর সৌন্দরজননা ফিল্ম অমদা শিবগী চৈরাক ফংলবা বন্দি অমগী শক্তম লাংবা তারম্মী। মহাক্না ফিল্ম অদুদা তৌগদবা এক্টিং অদু তশেংবা মালহন্নবগীদমক্তা শিবগী চৈরাক ফংলবা বন্দি অমগী মওং মতৌ য়েংবা পাল্লম্মী। মহাক্না ভেলর সেন্ট্রেল জেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট গুনসেখরদা অসিগুম্বা বন্দি অমা য়েংনবা হায়জরম্মী। সুপরিন্টেন্দেন্টে অদুনা য়াবিরদুনা মথংগী নুমিৎতা ফাঁসি তৌদুনা হাৎলগদবা বন্দি অমনা লৈরিবা সেল অমগী মনাক্তা পুরম্মী।

বন্দি অদু য়াম্না নুংঙাইনা টামিলগী ঈশ্বর মুরুগানগী মতিক মগুণ শৈথাবা ঈশৈ শক্তুনা লৈরম্বা থেংনরম্মী। শিবগী পুংশিং কল্লবা মীশক অমনা অসুম্না নুংঙাইনা ঈশৈ শক্তুনা লৈরম্বা অদুদা এক্টর অদু থাজবা ঙমলমদে। মহাক্না সুপরিন্টেন্দেন্টে অদুদা হায়রম্মী, ‘‘বন্দি অসি তোঙানবা মীশক অমনি। করিগুম্বা ঐনা ফিল্মদা মহাক্কী মতৌ তমদুনা এক্টিং তৌরুরবদি নুঙদুম চাবা শোয়রোই।’’ সুপরিন্টেন্দেন্টে অদুনা খুমলক্লম্মী, ‘‘নহাক্না উরিবসি তোপ তোপ্পা শক্তম নত্তে। শিবগী চৈরাক ফংদুনা মহাকপু হাৎকদবগী পুংশিং কল্লবা বন্দি খূদিংমক অসুম তৌবা ঙাক্তনি।’’

সুপরিন্টেন্দেন্টে অদুনা মখা তারকই, ‘‘কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীরবা বন্দি খূদিংমক্তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা ঙাকপিনবা হায়জবগী তাঞ্জা পী। অসুম্না প্রসিদেন্টতা হায়জখিবদুগী অরোইবা ৱারেপ পীরকপদা থা কয়া চঙই। অসিগুম্বা মতম অসিদা বন্দি অদু য়াম্না ৱাই লৈফম চাফম খঙদে। করিগুম্বা প্রসিদেন্টনা য়াবিরক্লবদি মহাকপু হাৎপগী মহুত্তা পুন্সি চুপ্পা বন্দি থম্বগী চৈরাক্তা ওন্থবা য়াই। করিগুম্বা হায়জবা অদু য়ারক্ত্রবদি মহাকপু ফাঁসি তৌবগী মতম লেপ্পি। বন্দি মশাদসু খঙহল্লি। পাউ অসি ফংবদগীদি বন্দি অদুগী অৱাবা লাংতক্লবা পুম্নমক কোকখ্রে। মহাক শোয়দনা শিরগনি খঙলবা মতম অদুদদি মহাক্কী ৱাখল তোঙানবা অমদা লৈখ্রে। মঙোন্দা অৱাবা নুংঙাইবা অপাম্বা পামদবা অকিবা কিদবা অমত্তা লৈখিদ্রে। ফিভম অসিবু যোগগী লোন্দা হায়রগদি ‘‘সমাধি’’ অরান খুভম ফংলবা হায়বদুগুম্বনি। ফিভমনা নমদুনা শিরগদবা বন্দি অদুগী ৱাখল অসিগুম্বা থাক অমদা লৈহনখিবনি।’’

মীপুম খূদিংনা শিবা কি। কনাগুম্বা অমতনা অশিবগা মায়োক্লনিংদে। অদুবু মীপুম খূদিংমক নোংমা নৎত্রগা নোংমা শিবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। অদুবু ঙক্লিবদি কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়গী থম্মোয়দা মখোয় নোংমা শিগনি হায়বসি ইথা থাজৌ য়াদে।

সিনাম খুলদা ফয়ার এন্দ লাইফ সেফটি ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দসিফ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও) অমদি মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকা খূৎশন্নদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সিনাম খুলগী কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা বেসিক ফয়ার এন্দ লাইফ সেফটি ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্র, য়ু এফ ওগী প্রসিদেন্ট আর কে সনা পারিহল, সেক্রেটরী জেনরেল ৱাই মৈরাবা অঙোম, ফয়ার সার্ভিস মণিপুরগী সব ওফিসার ৱাইখোম রানা, ভিল্লেজ ওথোরিটি সিনামগী সেক্রেটরী ৱারেপ্পম ইমো, ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম নোলেন্দ্রো অমদি ফাইনান্স সেক্রেটরী অসেম তোম্বীনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। য়ু এফ ওগী মেম্বর কয়াসু ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা য়াওখি।

মণিপুর ফয়ার সার্ভিসগী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্রনা হায়, মহৌশাগী ওইবা অমদি খূৎশেন্না থোকহনবা খুদোংথিবা মৈহৌ লাংপোক কয়া কনবা ঙম্নবগীদমক মণিপুর ফয়ার সার্ভিস অসি লৈরিবনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী মরু ওইবা মীওইশিং তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিল খঙদবা য়াদে। হায়রিবা স্কিলশিং অসিগী মনুংদা শরুক খরদা ওইরবসু মীয়ামদা খঙহন্নবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা ঙসিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

দিজাষ্টর থোরকপা মতমদা করি তৌগদগে হায়বদু খন্নখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মখাদা মেরা য়ুব ভারত ককচিংনা শীন্দুনা ইন্টরনেস্নেল দে ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি (আই আর সি এস) ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর লোকেন্দ্রো পুখ্রম্বমনা দিজাষ্টর থোরকপা মতমদা ঐখোয়না করি করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না নীংথিনা খঙহনখি।

মহাক্না মখা তানা, ঐখোয়না মহৌশাগী নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইনা খঙহৌদনা খুদোংথিবা থৌদোক অমা থোরকপা মতমদা মীপাইবা নৎত্রগা পাখৎপা তৌরোইদবনি। মদুগী মহুত্তা ৱাখল খন্থরগা অশোয় অঙাম থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না করি তৌবা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বদু অখঙ অহৈশিংগী ৱাখল্লোন লৌশিন্দুনা খুদোংথিবা কয়া থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

হি য়াই চেনবী সি এল এফকী কুমওন পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লিভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম)গী মখাদা লৈবা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট লিলোংনা শীন্দুনা য়ুনিট অসিগী হি য়াই চেনবী ক্লষ্টর লেভেল ফেদরেসনগী অনীরকশুবা চহীগী জি বি মিটিং ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সি এন্দ য়ুনিটি পার্ককী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট মিসন মেনেজর বিনোতা লোইতোংবম, বি দি ও সি দি ব্লোক লিলোং ঐচ কিরোমনি সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজর আর কে নিকিতানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হি য়াই চেনবী সি এল এফকী মখাদা লৈবা থবক ফজনা তৌবগী খনগৎলবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

ষ্টেট মিসন মেনেজর বিনোতা লোইতোংবমনা হায়, হি য়াই চেনবী সি এল এফকী মখাদা লৈবা ভিল্লেজ লেভেল ফেদরেসন অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা মশা মশানা হিংবা ঙম্নবা অমদি হেন্না চাউখৎপা ভিল্লেজ লেভেল ফেদরেসন অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি।

এম পি বিমোলদা শীরিবা মরাল য়ানিংদেঃ মৈরা পায়বী

থৌবাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাই অপূনবা মৈরা পায়বী লুপ্পা লৈকাই অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগা খূৎশন্নদুনা লোক সভাগী মেম্বর অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা শীরিবা মরাল য়ানিংদে হায়না খোল্লাও কয়া লাওদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি নুংথিল মৈরা পায়বী ইমাশিংনা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা ইবুধৌ খল্লাংবা ইমা কালিকাগী খুভমদা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী য়াইফ থৌনি থৌরমসু পাঙথোকখি।

এম পি বিমোল অকোইজম মণিপুর মীয়ামগীনি, ওঝাবু মরাল শীবা য়ানিংদে, জে এন য়ুগী ভি সিগী থৌওং য়ানিংদে, মণিপুর মীয়াম্না ওঝা বিমোলগীদমক লেপ্লি হায়রদুনা এম পি বিমোলগী মথক্তা শীরিবা মরাল পেন্দবা ফোঙদোকখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা কেঐচ অমুনিংথৌনা ফোঙদোকখিবদি মীয়াম্না য়াদুনা মীহুৎ অমা ওইনা চৎখ্রবা ওঝা বিমোলনা মণিপুরগীদমক তৌরক্লিবা থবক খূদিংমক অপেনবা পোকই। মীয়ামগীদমক খনবা এম পি অমদা মরাল পীশিনবা অসি পেন্দে। অচুম অরানবা পুম্বা কোর্টতা অদুমক থেংনজসনু। নংহৌরোই মতাগুম অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা মরাল পীশিন্নবা হোৎনরিবা থৌওংসু পেন্দে। মীয়াম্বু তোখাই তোখাই তাহন্নবা শীনবা মানবা থৌওং অসিসু পেন্দে। ওঝাগীদমক মীয়াম লৈরি, ইরমদম মণিপুরগীদমক ৱাজরিবা ওঝাগীদমক মতুংদসু ক্ষেত্রি লৈকাইগী মীয়াম্না মতম পূম্বদা লেপকনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল শো লোনশিনখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অমত্তা ঙাইরবা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী কম্প্যুটর ওঝা রোবিন্দ্রোবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লিলোং হয়ার সেকেন্দরি মদ্রাসাদা ট্রান্সফার তৌখিবগী য়াথং হন্দোক্লবা নৎত্রগা মহুৎ পীবীনবা মহৈরোই লূপশিংনা হায়জখিবা তাবিদবদগী স্কুল অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক অমদি প্রিন্সিপালগী কা মহৈরোই লূপশিংনা ঙরাংদগী শো লোনশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মহৈরোই লূপশিংগী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিশিং হায়বদি এমসু, এম এস এফ, দেসাম অমসুং কে এস এনা পূন্না ট্রান্সফার তৌখিবা ওঝা অদুগী মহুৎ থারক্লবসু হায়জখিবনি। কে এস এ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী প্রসিদেন্ট কে সোমোরজিৎনা ফোঙদোকখিবদি থা অসিগী ৭ তা এদিস্নেল সেক্রেটরী (এদুকেসন – এস) কে বোনোনা থোকখিবা ওর্দর অমনা কম্প্যুটর ওঝা রোবিন্দ্রোবু ট্রান্সফার তৌখিবনি। জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না নুমিৎ নীনিগী মনুংদা ওর্দর অদু ষ্টে তৌবিনবা মেদিয়াগী খূৎথাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা তাবিদবা অমদি থবক ওইনা পাঙথোরক্তবদগী মহৈরোইশিংনা খোঙজং অসি চৎখিবনি। মখা তানা থোকখিবা ওর্দর অদু ষ্টেট তৌবা নৎত্রগা মহুৎ অমা অথুবদা থারক্ত্রবদি মখা তাবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়খি।

খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ সেলিন দিজিটেল কৈশামথোং লোংজম লৈরক্লা চৎলিবা থা অসিগী ৯ হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা কোলকতাগী লম কোয়ফম ১৫ দা পোষ্টর পায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা সেলিন দিজিটেলগী চিয়ারমেন পিঐচ লনজিৎ সিংহ অমদি মেদিয়া কোওর্দিনেটরনা শরুক য়াখি। খোঙজং অদুগা মরী লৈননা লনজিৎনা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা কম্যুনেল কনফ্লিক্ট অসিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী ৱাংমদা ৱাকৎ খোঙজং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা অথুবদা পুরক্তুনা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবা হোৎনবিয়ু। লোয়ননা আই দি পিশিংসু মশা মশাগী ময়ুমদা অথুবা মতমদা চঙবা য়ানবা হোৎনবিয়ু।

চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ ইম্ফালগী নাগা মপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোন্থৌজম অমসুং নাগা মপালদা চৎলিবা থা অসিগী ১০ দগী ১৩ ফাওবা চত্থরকখিবা চেঙ্গুম থাবগী টেক্নোলোজি ট্রেনিং লোইশিনখ্রে।

ট্রেনিং অসিগী অহৌবা সেসন্দা আই এফ এমগী প্রসিদেন্ট ওক্রম দিপক মৈতৈ, এস নোংঙানবা অমসুং রামা ফাউন্দেসনগী মেনেজিং দিরেক্টর সোরাম রাজেন্দ্রকুমারসু শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রামা ফাউন্দেসনগী মেনেজিং দিরেক্টর রিজনেল এচিভর এৱার্দি সোরাম রাজেন্দ্রকুমারনা মরু ওইবা রিছোর্স পার্সন ওইনা টেক্নিকেল সেসন অমসুং ফ্লিদ দিমোন্সট্রেসনদা শরুক য়াখি। লোইশিনবগী থৌরমদনা আইসিএআর কেভিকে তমেংলোংগী আর কে রোসন, ডা. কে রবি য়াওনা মায় পাক্লবা ট্রেনরশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুল তাকয়েলগী মহৈরোইশিংদা হ্বাইট কেন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্লোবেলনা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নিঙোল কল্লেক্টিভ, ইম্ফাল লৈমরোল এন্দ ইম্ফাল চনুরানা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)গী দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন ক্লব অমসুং দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেলগা খূৎশন্নদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তাকয়েলদা লৈবা গর্ভর্ণমেন্ট আইদিয়েল ব্লাইন্দ স্কুলগী মহৈরোইশিংদা হ্বাইট কেন ৬০ য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পি দি জি লাইওন টিঐচ কেশো সিংহ, লাইওন লিদরশিং অমসুং মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি অমসুং ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

মখা তানা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা হ্বাইট কেন এৱার্নেস রেল্লি অমসু ইম্ফালগী কংলা নোংচুপ থোংদগী নোর্থ এ ও সিদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার ওফিস ফাওবা চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা দি আর আর ক্লবকী মহৈরোই ৯০, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেলগী ফেকল্টি মেম্বর ১০, ভোলুন্টিয়ার ১০০, লাইওন্স ক্লবস ৪গী লাইওন মেম্বর ২০ অমসুং ব্লাইন্দ স্কুলগী মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদু চৎলবা তুংদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা হ্বাইট কেন শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা ঙাকপি শেনবীনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট সেলগী কোওর্দিনেটর কোসেদিন লৈশাংথেম, লাইওন লীথোই নিঙোম্বমনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। খোঙচৎ অদুগী তুংদা এম টি য়ুগী বস ২ না মহৈরোইশিং অদু মখোয়গী স্কুল ফাওবা থিনখি হায়রি।

‘কৈথেল চঙবদা অথিংবা থল্লিবসি লৌথোক্কদবনি’

ৱাবগাই, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাবগাই লমখাই বজারগী নৌনা শাখিবা ইমা কৈথেলদা চঙবদা অথিংবা থল্লিবসি চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি হায়না সোপ কিপ্পর এসোসিয়েসন এন্দ ষ্ট্রিট ভেন্দর এসোসিয়েসন হিয়াংলম ৱাবগাইনা চেকশিন ৱা থমখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ৱাবগাই লমখাই বজারগী ইমা কৈথেলগী শঙ শাবা লোইশিনখিবা কুইরে। অদুবু চয়েৎনবা খরনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবা কৈথেল শঙ অসিদা হোংজিন্দনা লৈরি। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা কৈথেল চঙবদা অথিংবা থল্লিবসি লৌথোক্লবা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং বজার বোর্দকী মীৎয়েং চিংশিনখি। ওক্টোবর ২১ ক্বাক যাত্রা নুমিৎতগী অনৌবা কৈথেল শঙদা চঙশিন্দুনা পোৎ চৈ য়োনবা হৌরগনি হায়নসু ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ্লখি হায়রি।

স্বাস্থ্য স্পিসিয়েল কেম্পেইন চত্থখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৪ (এসএনএস)ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ওফিস পুম্বা লুনা নান্না থম্নবা অমদি মীয়ামগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা অপনবা ওইদনবা পান্দমগা লোয়ননা ওক্তোবর ২ দগী হৌনা চত্থরকখিবা স্বাস্থ্য স্পিসিয়েল কেম্পেইন ৬.০ ঙসি কে ভি কে থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদুদা কে ভি কে থৌবালগী সেনিয়ার সাইন্টিস অমসুং হেদ ইন–চার্জ ডা. কেঐচ প্রেমলতা দেবীনা লুচিংদুনা ষ্টাফশিং অমদি মনাক নক্লা লৈবা ফার্মরশিংনা কে ভি কে থৌবাল কেম্পসকী অকোয়বা মফমশিং শিৎ শেংদোকখি হায়রি।

ফোর্ম নং ৩
[রিগুলেসন–১৩(১)(এ) য়েংউ।]

ডেবট্স রিকোভরি ত্রিব্যুনেল গুৱাহাতি
সুৱর্ন ভৱন, হাউস নং ১২, ন্যু টাউন পাথ, হনুমান মন্দির মনাক,
জি. এস. রোড, উলুবারি, গুৱাহাটি–৭৮১০০৭ (অসাম)

কেস নংঃ ওএ/৪৯৫/ ২০২৬

ডেবট রিকোভরি ত্রিব্যুনেল (প্রোসিদ্যুর) রুলস ১৯৯৩গী রুল ৫কী সব–সেক্সন (২এ)গা লোয়ননা পারগা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৯গী সবসেক্সন (৪) গী মখাদা থাবা সুমোন

ইএক্সএইচ. নং. ঃ ৬৫৭৬

বেঙ্ক ওফ বরোদা
ভর্সেস
মেসার্স সানালাই এন্টারপ্রাইজ অমসুং অতৈ

মফমদা,

(১) মেসার্স সানালাই এন্টারপ্রাইজ
প্রোপ্রাইটর–লাইফ্রাকপম সানা সিংহ, রেজিষ্টার ওফিস লৈফম – থাংমৈবন্দ হিজম দিৱান লৈকাই, থাংমৈবন্দ, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর–৭৯৫০০৪

(২) শ্রী লাইফ্রাকপম সানা সিংহ
অপোকপা লাইফ্রাকপম জুগেশোর সিংহ, লৈফম থাংমৈবন্দ হিজম দিৱান লৈকাই, থাংমৈবন্দ, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর–৭৯৫০০৪

সম্মন্স

ওএ/৪৯৫/২০২৬ অসি ওনরেবল প্রিসাইদিং ওফিসর/ রেজিষ্টারগী মমাঙদা **৩০–০৯–২০২৬** লিষ্ট তৌখি।

নহাক্কী মায়োক্তা শেন্দোল **লুপা ২৯,৫৬,৬৫৭.৯৯** লৌখৎনবগীদমক্তা এক্ট (ওএ) গী সেক্সন ১৯(৪) গী মখাদা থারকপা এপ্লিকেসন অমগী মতাংদা ওনরেবল ত্রিব্যুনেলনা সুমোন। নোটিশ ইসু তৌখি। (ডোকুমেন্টশিং লোয়ননা এপ্লিকেসন হাপ্লি)

এক্ট অসিগী সেক্সন ১৯গী সব সেক্সন (৪)গী মতুং ইন্না ডিফেন্দেন্টশিংদা মখাগী ডাইরেক্সনশিং পীরি।

i) সুমোন / ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা করিগীদমক্তা রিলিফকীদমক্তা হায়জরকপদু য়ারোইদবগে হায়বদু খঙহল্লক্কদবনি।

ii) এপ্লিকান্টনা ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩ এগী মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিজ অমসুং এসেটসশিং অদুগী মথক্তা অতৈ প্রোপর্টি অমসুং এসেটশিং ফোঙদোক্কদবনি।

iii) প্রোপর্টিজশিং এটেচমেন্ট তৌবগী এপ্লিকেসন হিয়ারিং অমসুং দিস্পোজ তৌদ্রিঙৈদা সেক্যুর এসেটশিং নৎত্রগা ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩এদা ফোংদোক্লিবা এসেটশিং অমসুং প্রোপর্টিজশিং নহাক্না দিল তৌনবা নৎত্রগা দিস্পোজ তৌরোইদবনি।

iv) ত্রিব্যুনেলদগী মাঙজৌননা অয়াবা য়াওদনা নহাক্না ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩এগী মখাদা ফোঙদোক্লিবা এসেটশিং অমসুং প্রোপর্টিশিং অমসুং সেক্যুর ইন্টরেষ্ট ফংহল্লিবা মহাক্কী ব্যুজিনেসকী নত্তনা য়োনবা, শন্দোকপা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা ত্রান্সফর তৌবা য়ারোই।

v) সেক্যুর এসেটশিংদগী লাকপা শেনফম নৎত্রগা ব্যুজিনেস চত্থবা মতমদা লৈবা এসেট অমসুং প্রোপর্টিশিং অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট নৎত্রগা ফাইনান্সিয়েল একাউন্টতা থম্না পোৎ য়োনবগী শেনফমশিং নৎত্রগা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংদা থল্লিবা অসিগুম্বা এসেটশিংগী সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট একাউন্ট নহাক্না থমগদবনি।

এপ্লিকান্টতা কোপি অমা পীবগা লোয়ননা অইবা ষ্টেটমেন্ট অমা ফাইল তৌনবা লোয়ননা **১৩–১১–২০২৬গী অয়ুক পুং ১০.৩০ দা রেজিষ্টর**গী মমাঙদা এপ্পিয়র তৌরনবা নঙোন্দা ডাইরেক্সন পীরি। করিগুম্বা সোয়রবদি এপ্লিকেসন অসি নহাক য়াওদনা হিয়ারিং তৌরগনি অমসুং ৱারেপ লৌরগনি।

পেপর বুক্কীদমক্তা মখাগীসি ফোলো তৌ Url : https://cis.drt.gov.in/drtlive/paperbook.php?ri = 2026543070819 দা ফোল্লো তৌ।

তারিক **০১–১০–২০২৬** দা ত্রিবুনেলগী সিল অমসুং ঐহাক্কী খূৎয়েক পীরি।

রেজিষ্টার
ডেবট্স রিকোভরি ত্রিব্যুনেল, গুৱাহাতি

ফোর্ম নং ৩
[রিগুলেসন–১৩(১)(এ) য়েংউ।]

ডেবট্স রিকোভরি ত্রিব্যুনেল গুৱাহাতি
সুৱর্ন ভৱন, হাউস নং ১২, ন্যু টাউন পাথ, হনুমান মন্দির মনাক,
জি. এস. রোড, উলুবারি, গুৱাহাটি–৭৮১০০৭ (অসাম)

কেস নংঃ ওএ/৪৯৭/ ২০২৬

ডেবট রিকোভরি ত্রিব্যুনেল (প্রোসিদ্যুর) রুলস ১৯৯৩গী রুল ৫কী সব–সেক্সন (২এ)গা লোয়ননা পারগা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৯গী সবসেক্সন (৪) গী মখাদা থাবা সুমোন

ইএক্সএইচ. নং. ঃ ৬৫৭২

বেঙ্ক ওফ বরোদা
ভর্সেস
শ্রী ঙাঙোম সোমোরজিৎ সিংহ

মফমদা,

(১) শ্রী ঙাঙোম সোমোরজিৎ সিংহ
অপোকপা ঙাঙোম বিহারি সিংহ, লৈফম চঙাঙৈ অৱাং লৈকাই, লম্ফেলপাৎ সব–দিভিজন, চঙাঙৈ, ইম্ফাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর – ৭৯৫১৪০

সম্মন্স

ওএ/৪৯৭/২০২৬ অসি ওনরেবল প্রিসাইদিং ওফিসর/ রেজিষ্টারগী মমাঙদা **৩০–০৯–২০২৬** লিষ্ট তৌখি।

নহাক্কী মায়োক্তা শেন্দোল **লুপা ৫০,৭১,৫৮৯.৬৫** লৌখৎনবগীদমক্তা এক্ট (ওএ) গী সেক্সন ১৯(৪) গী মখাদা থারকপা এপ্লিকেসন অমগী মতাংদা ওনরেবল ত্রিব্যুনেলনা সুমোন। নোটিশ ইসু তৌখি। (ডোকুমেন্টশিং লোয়ননা এপ্লিকেসন হাপ্লি)

এক্ট অসিগী সেক্সন ১৯গী সব সেক্সন (৪)গী মতুং ইন্না ডিফেন্দেন্টশিংদা মখাগী ডাইরেক্সনশিং পীরি।

i) সুমোন / ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ কুন্থ্রানিগী মনুংদা করিগীদমক্তা রিলিফকীদমক্তা হায়জরকপদু য়ারোইদবগে হায়বদু খঙহল্লক্কদবনি।

ii) এপ্লিকান্টনা ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩ এগী মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিজ অমসুং এসেটসশিং অদুগী মথক্তা অতৈ প্রোপর্টি অমসুং এসেটশিং ফোঙদোক্কদবনি।

iii) প্রোপর্টিজশিং এটেচমেন্ট তৌবগী এপ্লিকেসন হিয়ারিং অমসুং দিস্পোজ তৌদ্রিঙৈদা সেক্যুর এসেটশিং নৎত্রগা ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩এদা ফোংদোক্লিবা এসেটশিং অমসুং প্রোপর্টিজশিং নহাক্না দিল তৌনবা নৎত্রগা দিস্পোজ তৌরোইদবনি।

iv) ত্রিব্যুনেলদগী মাঙজৌননা অয়াবা য়াওদনা নহাক্না ওরিজিনেল এপ্লিকেসনগী সেরিয়েল নম্বর ৩এগী মখাদা ফোঙদোক্লিবা এসেটশিং অমসুং প্রোপর্টিশিং অমসুং সেক্যুর ইন্টরেষ্ট ফংহল্লিবা মহাক্কী ব্যুজিনেসকী নত্তনা য়োনবা, শন্দোকপা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা ত্রান্সফর তৌবা য়ারোই।

v) সেক্যুর এসেটশিংদগী লাকপা শেনফম নৎত্রগা ব্যুজিনেস চত্থবা মতমদা লৈবা এসেট অমসুং প্রোপর্টিশিং অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট নৎত্রগা ফাইনান্সিয়েল একাউন্টতা থম্না পোৎ য়োনবগী শেনফমশিং নৎত্রগা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংদা থল্লিবা অসিগুম্বা এসেটশিংগী সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট একাউন্ট নহাক্না থমগদবনি।

এপ্লিকান্টতা কোপি অমা পীবগা লোয়ননা অইবা ষ্টেটমেন্ট অমা ফাইল তৌনবা লোয়ননা **১৩–১১–২০২৬গী অয়ুক পুং ১০.৩০ দা রেজিষ্টর**গী মমাঙদা এপ্পিয়র তৌরনবা নঙোন্দা ডাইরেক্সন পীরি। করিগুম্বা সোয়রবদি এপ্লিকেসন অসি নহাক য়াওদনা হিয়ারিং তৌরগনি অমসুং ৱারেপ লৌরগনি।

পেপর বুক্কীদমক্তা মখাগীসি ফোলো তৌ Url : https://cis.drt.gov.in/drtlive/paperbook.php?ri = 2026542890819 দা ফোল্লো তৌ।

তারিক **০১–১০–২০২৬** দা ত্রিবুনেলগী সিল অমসুং ঐহাক্কী খূৎয়েক পীরি।

রেজিষ্টার
ডেবট্স রিকোভরি ত্রিব্যুনেল, গুৱাহাতি

Celebrate This Diwali and Ningol Chakouba 2026 in style

Book Now
9863832149

KETHARASE MAYAM

Attractive Dental Offers
* Free OPD & Consultation
* Teeth Decay & Polishing
* Crown Placement
* Restoration / Fillings
* Extension
* Orthodontics Treatment etc.

Attractive Facial Offers
* Lip Filler
* Botox
* Chemical Peel
* PRD & GFC
* Lips Colouring & Neutralization
* Glutathione etc.

ALL SMILE DENTAL & FACIAL AESTHETIC
Nagamapal Khwai Brahmapur, Imphal

চাকঙাই ৱারী–৩৮
ঙানু থেঙ্গু
অইবা অমসুং অয়েকপা
নোং লান
থেঙ্গুগী ৱাদু তাবদা ঙক্লম্মী
হা... চৈদা চিক্লগা চৎকদোইবা, ইতাও নঙগী ৱাফমসিবু য়াগদ্রনে মদু লুদৌ মাল্লিদা
য়ানি ইতাও নবানিনা ফজনা পাইদুনা চৎপিয়ু, ঐ য়াসিনা নান্থোক্তনবা কন্না চিক্লগা অদুম য়ানজগে
লম্বীসি শাংইনে ইতাও মরক্তুদা ৱা ঙাংবসু য়ারোই, হেক নান্থোকপদা লোইরেনে
অদুগীদি ঐ খাঙজগে
SL/Sush/17 July -Jan-16

Space Coaching Centre
Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.

HURRY ADMISSION OPEN HURRY
REVISION COURSE FOR CLASS X
ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE
STARTS ON 12TH NOVEMBER

HINDI TUITION CENTRE
SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS
TUITION CLASS FOR ALL V-X

CONTACT -7005285138/9615455360

খম্বনা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী পি দি এদা য়াওরকখ্রবা খাগোকপম খম্বদা পি দি এ মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পুনবগী অয়াবা পীখ্রে।

১২ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী আর পি আই অথৱালেগী মীরেপ ওইরগা মীখল অদুদা ভোট মশীং লিশিং ৬ হেন্না ফংলগা মীখল অদুদা খুরাই এ সিদা অহুমশুবা ভোট মশিং ফংবা ঙমখি। খাগোকপম খম্বা থা অসিগী তাং ১২ দা লাক্লিবা ১৩ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী ওইবা অপূনবগী রিজনেল পার্টি ওইরিবা পিপলস দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স মণিপুরগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং লিবা লাইতোঞ্জম জয়ানন্দদা শৌগৎখিবা অদুগী মতুং ঙসি ঙসি পি দি এ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়ুন্নাম জয়কুমারনা খাগোকপম খম্বদা পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টগী ফমসু শিন্নখ্রে হায়রি।

পি দি এগী প্রসিদেন্ট য়ুন্নাম জয়কুমারনা থোকপা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না পার্টি অসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৩গী মখাদা খুরাই এ সিগী মনুং চনবা খুরাই অৱাং কোংপাল লাইশ্রম লৈকাইদগী খাগোকপম খম্বদা পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টগী ফম শিন্নরে হায়রি। লাক্লিবা ১৩ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লি মিখলদা পার্টি অসিগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা রিজনেল পার্টি ওইনা মীখল মায়োক্লবদা চাউনা থৌদাং লৌগনি হায়রি।

লেন্দ রেভেন্যু দিপার্টমেন্টনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট...

*লমায় ১গী মখা...*ডা. দেবিদ এলাংবমনা মখা তানা হায়, লেন্দ রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌবগী মতাংদা শুগাইনা থমখি। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী ওইনা চাদা ৯৮.৫২ দিজিটাইজেসন তৌবা লোইরে। কুমজা ১৯৬০ কেদাষ্ট্রেল মেপকী সর্ভে ১৪৫১ দিজিটাইজ তৌরে। রেভেন্যু ভিল্লেজ ১৩৩গী সর্ভে রেকোর্দ ৩১৭, চাদা ৯৭ লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১গী মনুংদা দিজিটাইজেসনগী থবক লোইশিনগনি হায়খি। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী লেন্দ রেকোর্দ চাদা ৯৮.৫২ দিজিটাইজেসন তৌখ্রবসু এস দি সি, এস দি ও অমসুং দিষ্ট্রিক্টকী কোর্টতা তোঙান-তোঙানবা অপিল অমদি এল আর এক্টকী মখাদা কেস খরদি অদুম লৈরি হায়না লেন্দ রেভেন্যুগী জোইন্ট সেক্রেটরি চান্দম বোবোনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লম অমগী ওন্নরসিপকী রাইটতা জমাবন্দি শেতোক্লবা লৈরগসু ১৯৬০গী কাদাষ্ট্রেল মেপকী মতুং ইন্না লৈঙাক্না দিজিটাইজগী থবক চত্থবনি। চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা লোঞ্চ তৌখিবা দি আই এল আর এম পি ৩.০গী ওইনসু দিপার্টমেন্টনা মিনিষ্ট্রিদা লুপা ক্রোর ৭.৫৫কী শেনফম প্রোপোজেল থাখি। হৌখিবা ২০২০-২১দগী চত্থরকপা দিজিটাইজেসন ইন্দিয়া লেন্দ রেকোর্দ মোদর্নাইজেসন প্রোগ্রাম অসিগী ওইনা অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৬কা লাখ ৯৯ কায়থরকপগী মনুংদা ক্রোর ৬কা লাখ ৭৮কী চাংদা শীজিন্নখ্রে। লেমহৌরিবা শেনফমশিং মথংগী দি আই এল আর এম পি ৩.০দা শীজিন্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিমোলগী য়ূমদা দিল্লি পুলিসনা নোটিস...

লমায় ১গী মখা...

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না দিল্লি পুলিসনা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী দিল্লিদা লৈবা য়ূমদা সর্ভ নোটিস থেৎচিল্লমদুনা ইনভেষ্টিগেসনদা শরুক য়ানবগীদমক শগোলশেল নুমীৎতা লাক্লবা খঙহল্লকখিবনি। পনবা য়াবদি জে এন য়ুগী প্রোফেসর অমদি কোংগ্রেসকী এম পি ওইরিবা অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা জে এন য়ুগী চীফ সেক্যুরিটি ওফিসরনা তৌরকখিবা কমপ্লেনদা য়ুম্ফম ওইরগা ওক্টোবর ১১ দা বসন্ত কুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা ভারতিয়া নয়ায় সংহিতাগী সেক্সন ৭৫, ৭৫ (১) (১), ৭৫ (১) (৪) অমদি ৭৯ গী মখাদা এফ আই আর পাল্লকখিবনি।

লোকসভাগী এম পি প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা জে এন য়ুগী নুপী মহৈরোয় ১১ রোন্না মখোয়গী মথক্তা সেক্সুএল হরাসমেন্ট চত্থখি হায়না কেস তৌরকখিবনি। মহৈরোয় নুপীশিং অদুনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না প্রোফেসর বিমোলনা মহৈরোয় নুপীশিং অদুবু মীটিং অমদি খন্ন নৈনবগী মীংদা জে এন য়ুগী কেম্পস মনুংদা লৈবা মহাক্কি য়ূমদা কৌদুনা সেক্সুএল হরাসমেন্ট তৌনবা হোৎনৈ। লোয়ননা ক্লাস রুম মনুংদা মচিন থিবা অমদি ঙাওহৈ-শকহৈদবা ৱা ঙাঙই হায়না মরাল শিরকখিবনি। কমপ্লেনশিং অসিগী মতুংইন্না জে এন য়ুগী ইন্টরনেল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু প্রোফেসর পোষ্টতগী দিসমিসসু তৌরকখ্রবনি।

য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা ...

লমায় ১গী মখা...

ঙসি পাঙথোকখিবা লিগেল এৱার্নেসকী থৌরম অদুদা এল এম এস লো কোলেজগী লেকচরর ওইবতা নত্তনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওঠোরিটি (মসলসা) গী মেম্বর এদভোকেট চোংথাম মোমোননা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মহাক্না য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংদা কষ্টমরি লো, ফন্দামেন্টেল রাইটকী মনুংচন্না য়াওরিবা আর্টিকল ১২ দগীনা ৩৫ অমদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী গোল্ডল ট্রাইঙ্গলনি হায়না লৌনরিবা আর্টিকল ১৪, ১৯ অমদি ২১ গী মতাংদসু শুগায়না তাকপী-তম্বিখি।

লোয়ননা রাইট টু ইক্বেলিটিগী মনুংচন্না লৈরিবা আর্টিকল ১৪ দগী ১৮গী মতাংদসু মচা খায়না শন্দাক্লা খঙহনখি। প্রোহিভিসন ওফ দিসক্রিমিনেসন, ইক্বেলিটি ওফ ওপোরচুনিটি ইন পব্লিক ইমপ্লোয়মেন্ট, এবোলিসন ওফ অনটচেবিলিটি হায়বনচিংবা হীরমশিংদসু শন্দোক্লা তাকখি। লোয়ননা রাইট টু ফ্রিদমগী মনুংচল্লিবা আর্টিকল ১৯ য়াওনা ফ্রিদম ওফ স্পিছ এন্দ এক্সপ্রেসন, পিছফুল এসেমব্লি ৱিদাউট আর্মস অমদি রাইট টু ফোর্ম এসোসিএসন ওর য়ুনিয়নসগী মতাংদসু খন্নখি। মেন্টেল পব্লিক ওর্দর তৌনবা অমদি অতোপ্পশিংগী রাইটশিং প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক হায়রিবা ফ্রিদমশিং অসিদা মরম চারবদি অথিংবা কয়া থম্বসু য়াই হায়খি।

থৌরম অদুগী মনুংচন্না রিছোর্স পার্সন এদভোকেট চোংথাম মোমোননা লিগেল এৱার্নেসকী থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংগী মহৈরোয়শিংদা আর্টিকল ২১ রাইট টু লাইফ এন্দ পর্সনেল লিবর্টি, সেফ ড্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ ফুদ সেক্যুরিটি, পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল), ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর), ই-এফ আই আর, আর্টিকল ২১-এ, সরকারনা পীরিবা চহী ৬ তগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা অখন্ননা ফংহনবা ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এজ্যুকেসন, রাইট টু এজ্যুকেসন ২০০৯ না পীরিবা খুদোংচাবশিং, ফন্দামেন্টেল দ্যুটি ওফ পেরেন্টস এন্দ গার্জিয়ান অন্দর আর্টিকল ৫১ এ (কে) অমদি আর্টিকল ৩৯ এগী মনুংচন্না ফ্রি লিগেল সর্ভিসেসকী মতাংদসু শুগায়না খঙহনখি হায়রি।

চাইল্ড হেল্পলাইন নম্বর ১০৯৮ লৈরি হায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি (সি দব্লিয়ু সি) না অঙাংশিংগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং, প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট ২০১২, চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০০৬ অমদি চাইল্ড এন্দ এদোলসেন্ট লেবর এক্টকী মতাংদসু তাকপী-তম্বিখিবগা লোয়ননা প্রোটেক্সন ওফ ৱিমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট ২০০৫ অমদি দোমেষ্টিক এব্যুজগী মনুংচন্না লৈরিবা ফিজিকেল, সেক্সুএল, ইকোনোমিক অমদি ইমোস্নেলগী মতাংদসু খন্ন নৈনখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা রিছোর্স পার্সননা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি এক্ট ২০০০ য়াওনা মহৈরোয়শিংনা তঙাইফদনা এজ্যুকেসন, করেক্টর বিল্ডিং, দিসিপ্লিন অমদি অতৈ অতোপ্পা এক্টিভিটিশিংদসু মীৎয়েং চঙদুনা পার্সনেলিটি দিভেলপমেন্ট তৌনবসু খঙহনখি। ঙসি পাঙথোকখিবা লিগেল এৱার্নেস অদুনা মহৈরোয়শিংনা তুংগী অফবা য়ুম্বিরেল অমদি থৌদাং লৌবা ঙম্বা সিটিজেন অমমম ওইরক্লবগী লম্বীদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

মহৌশাগী খূদোলতনা য়োম্লবা মণিপুরগী...

লমায় ১গী মখা...

হায়বা থীমদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৭২শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক সেলেব্রেসন ২০২৬কী গ্রান্দ ফাইনেল থৌরমদা ৱাফম অসি গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থন্নদুনা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা হায়, লমদম অসিগী লৈরিবা উমং-ৱামং, চীং-পাৎ, তুরেলনচিংবা মহৌশাগী খূদোলনা পীরম্বা শক্তমশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিং ঙাইনি। মহৌশাগী খূদোলতনা য়োম্লবা মণিপুরগী নীংথিরবা শক্তম অসি ঙাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খূদিংমক্লা অঙম্বা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে। লমদম অসিগী নেচরেল হেরিটেজ ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক খত্তদা থৌদাং ইস্থোক্তুনা থম্বা চুম্লোই। মণিপুরগী লৈরিবা নীংথিরবা চীং-পাৎ, তুরেল অমদি উমং-ৱামংশিং অসিদা মশিং থীঙমদ্রবা পুন্সি কয়ানা তাঙদুনা হিংলিবনি হায়বসি কাউথোক্লোইদবনি। লমদম অসিদা খক্তা ফংবা শা-ঙা অমদি উচেক ৱায়া কয়া অমা মুৎশিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লাকপসু থেংনদবসু নত্তে। মণিপুর খুন্নাইনা মাঙ লোমদা চৎখৎনবা হোৎনবদা মহৌশাগী খূদোলনা পীরম্বা নীংথিরবা শক্তমশিং অসিবু য়োকখৎতুনা শাগোন্ননা খোঙথাংবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাক্না হায়, লমদম অসিগী অকোয়বগী খল অমদি মহৌশাগী শক্তম ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনবদা পূন্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই। কাংলোন কায়না লমলক্কী শা-উচেক হাৎপা অমদি লল্লোলবগী থৌওং চত্থরক্লিবশিং অসি মরী লৈনবশিংনা মীয়ামগা খূৎশন্নদুনা চপ চানা থেংনহৌবা মথৌ তাই। অতোপ্পা লমদগী পায়রক্তুনা লমদম অসিদা উচেক কয়া অমা চাকতাবগী মশিং হেনগৎলকপা থেংনরি। খূদম ওইনা হায়রবদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা মণিপুরদা অমুর ফালকোন চাকতাবগী চাং হেনগৎলকপা মীয়ান্না থেংনরি। মরম অদুনা মণিপুরনসু মাইগ্রেটরি বার্দশিংগী মফম অমা পীবদা য়ান্না মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরি হায়বসি উৎলি। মণিপুরগী লৈরিবা লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেন্দুনা মহৌশাগী নীংথিরবা শক্তম কন্নবা হোৎনবদা মীপুম খূদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল থন্নদুনা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা হায়, তুংগী মীরোলগীদমক মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভর্সিটি অসি ঐখোয় পূন্না ঙাকমিন্নবা চঙই। মসি পূন্নমক ওইথোকহন্নবা হোৎনবদা মহৈশঙশিং, হৌগৎলক্লিবা নহাশিং য়াওনা মীপূম খূদিংমক্লা লৈঙাক্লা খূৎশন্নদুনা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা নত্তনা লমদম অসিবু মশক তাকপদা তোপ-তোপ্পা মগুন অমা হাপ্লিবা অতোপ্পা মফমদা ফংদবা শা-উচেক কয়া অসি য়োকখৎতুনা থম্বা তঙাই ফদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কাংলোন কায়না লমলক্কী শা-উচেক হাৎপা য়াওনা উমং-ৱামং কোকথোকপগী থৌওং চত্থরক্লিবশিং অসি থেংননবা খোঙথাং কয়া পায়খৎপা লৈরি। মীয়ামগা লোয়ননা মরী লৈনবশিংনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌদুনা লমদম অসিগী ইকোলোজিকেল অমদি কলচরেল হেরিটেজ অসি ঙাক শেনবা মথৌ তাই হায়খি।

ফোরেষ্ট, ইনভাইরোন্টমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুন কুমার সিনহ, পি সি সি এফ এন্দ ঐচ ও এফ এফ অমসুং ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ বাজপাই, ফোরেষ্ট (ৱাইল্ডলাইফ)কী চীফ কঞ্জার্বেটর এল জয়কুমার, নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাণ্ডেল্লর দলিস সিংহ চৌধুরি, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া এ ও সিল্লোংগী দি জি এম ইজাজ অহমদ য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্বেসনগী ভিদিও এলবম অমসু ফোঙখি। লোয়ননা ৱাইল্ডলাইফ কঞ্জর্বেসন-অৱার সেয়র রেস্পোন্সিবিলিটি হায়বসিদা হায় ইমপেক পব্লিক সার্ভিস এনাউন্সমেন্টগী রিলস অমসু মীয়ামদা উৎখি। 'বার্দ ওফ লাঙ্গোল রিজার্ব ফোরেষ্ট, এ রিকোকনর' অমদি 'মহৌশাগী মায়থোং' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অনী অমসু ফোঙখি। মসিদা নত্তনা 'মণিপুর ক্লাউদে রিওপার্দ কঞ্জর্বেসন প্রেজেক্ট' অমদি 'ভলচর কঞ্জর্বেসন প্রোজেক্ট'সু লোঞ্চ তৌদুনা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিগী মনা-মথুমশিংসু লান্থোকখি।

খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি...

লমায় ১গী মখা... কয়া বি জে পিনা মরাল শীজিন্দুনা লৈখা তাহনখিবা থৌদোক কয়া লৈখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়ননা ফোঙদোরক্লি।

পিশুমদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট লাইশ্রম সরতনা হায়, ইন্দিয়া পূম্বদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা প্রোফেসর অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টদা চেন্নে হায়জিন্দুনা মহাকপু নমথনবা কেরেক্টর এসাসিনেট তৌনবা হোৎনরকপা অসিমক য়ুনিয়ন অসিনা য়ানিংদে। বিমোল অকোইজম অসি মণিপুর খক্কী নত্তে, ইন্দিয়া পূম্বদা মমিং লৈরবা পোপুলর লিদর অমা ওইবা খক নত্তনা মণিপুরগী ইশু কয়াগী মরমদা পার্লিয়ামেন্টতা থৌনা লৈনা লাউবা ঙম্বা এম পি অমনি। বি জে পিনা মহাকপু সেক্সুয়েল হরাসমেন্টগা মরী লৈননা হায়জিন্দুনা মহাকপু নমথনবা হোৎনরক্লিবা অসি মহাক্না অহানবা নত্তে। ইন্দিয়াদা মমিং লৈরবা মালেম পূম্বনা শক খঙবিখ্রবা শক্লাইরবা মীওই কয়াদা বি জে পিনা মরাল অমা পীশিন্দুনা নমথদুনা লাকখ্রে হায়রি।

ভোট লেপ্পা, পোলিটিক্স তৌবা খক্লা...

লমায় ১গী মখা... পিপল ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অমসুং কমেং জাতি ৱিভর্স কম হেন্দিক্রাষ্ট কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা পূন্না খূৎশন্নদুনা কমেং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা নিংথৌ সনাজাওবা লৈশেম্বনা মখা তানা হায়, মণিপুর অসি পীকচরবসু ফুরুপ কয়ানা খুদাবা লমদম অমনি। লমদম অসি ইলেক্টোরেল পোলিটিক্স তৌবা খক্লা ঙাক্কদবনি হায়বা ৱাফম অসি য়ানিংদে। সিভিল সার্ভিস এগজামদা মায় পাক্তুনা সেক্রেটরিয়েটতা ফম্লিবা ওফিসারশিং লৈবাক ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মণিপুর সেক্রেটরিয়েটতা ঐখোয়গী য়েলহৌ ফুরুপকী ওফিসার মশিং য়ামন্নদবনা ২০২৩গী মে ৩দগী লৈবাক অসিদা ইরাং থোক্লিবনি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা ডোক্তর অমদি ইঞ্জিনিয়ার খক নত্তনা অতৈ অচৌবা এগজাম কয়া থাদুনা লৈবাক্কী মরু ওইবা ফমশিং পায়নবা হোৎনসি। অমদি সেদ্যুল কাষ্ট (এস সি) ফংলবা মহৈরোইশিংনা লোই ওইবগী শক্তম ঙাকপগা লোয়ননা লোই ওইবগী খুদোংচাবশিং অদু লৌদুনা সিভিল সার্ভিস অমদি অচৌবা এগজামদা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লম্লাই এ সিগী এম এল এ খোঙবানতাবম ইবোমচা অমদি কমেং খুলগী খুল্লাকপা মঙশাতবম দেবেন্দ্রনা মরু ওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ফয়েং, ককচিং য়াওনা অতৈ লোই খুলশিংদগী লাকপা মশক নাইবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

মেদিকেল কাউন্সিলদা রেজিষ্ট্রার তৌরবা ...

লমায় ১গী মখা... লৈতবা নত্তে। পেসেন্টশিংনসু ডোক্তরশিং অসিগা কুপ্না তান্নদুনা মতমগা চুনবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা লায়েংনবা হোৎনগদবনি। মসিগী ওন্না-তৈনবদা রেজিষ্ট্রার তৌদবা মীওই খরনা এলোপেথি ট্রিটমেন্টনচিংবা চত্থরক্লিবা কয়া অসিদগী মীয়ান্না চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা অনাবা ফবগী মহুৎতা হেঞ্জিল্লক্তুনা নৌহৌননা ডোক্তরশিংগা তান্নদনা লায়েংবগী ৱাফম কয়া থোরক্লি। মীয়ান্না অসিগুম্বা তম্বা ঙমদবা লায়েং পথাপশিং অসিদগী লাপথোক্লবা অপিল তৌখি। মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালদা ডোক্তর ওইরিবশিং অসি য়ামদ্রবদা চহী ৫দগী ১২ ফাওবা মখল মখা কয়াগী ট্রেনিং তৌরবা মতুংদা কাউন্সিলগী রেজিষ্ট্রার মেদিকেল প্রেক্টিসিনর অমা ওইনা মথৌ পাঙথোকপানি। তোঙান-তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎকী মতাংদা ট্রেনিং মতিক চানা তৌরুরবা ডোক্তরশিং ঙাক্তনি হায়খি।

মণিপুর নুংশি হায়রগা সেকমাই লানবা...

লমায় ১গী মখা... তৎতনা লাউবা সেকমাই লানবা ঙমদবা লুচিংবা কয়া লৈবনা মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপ ৩৬ অসি পুনশিনবা ঙমদবনি। মণিপুর অসি ফুরুপ ৩৬না অমত্তা ওইনা শেম্বনি। ফুরুপশিং অসিবু অমত্তা ওইনা কোনশিন্দুনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙম্বা লুচিংবা লৈবা মথৌ তাই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়াদা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈ লৈরম্বা ফিভমদগী হৌজিক ওইরক্লবা মতুংদা লৈরিবা ফিভম অসিগী খেন্নবা মীয়ান্না খঙবনি। অসুন্না নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগীসু ঙসিদগী চহী ৫গী মমাঙদা লৈরম্বা ফিভমগা হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভমগা লৈরিবা খেন্নবশিং মীয়ান্না খঙগনি। ইন্দিয়ানা মালেমগী ইকোনোমিদা ১১শুবদা লৈরম্বা অদু নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপদগী হৌজিক ৪শুবদা লৈরে। মসিগী মথক্তা ২০৪৭দা ৱিক্সিট ভারত অমা ওইবগী পান্দম থমদুনা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা মণিপুরসু মপূং ফানা শরুক য়াহৌগদবনি।

নাকল অমরোমদা, নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিদা হান্না অপূনবা য়ুমথোংগী চাদা ৫ খক্তমক থক্লবা ঈশিং ফংলম্বা অদু হৌজিক্তি চাদা ৮০ হেন্না থক্লবা ঈশিং ময়ুম ময়ুমদা ফংহনখ্রে। মসিদসু নত্তনা মণিপুরদা অনৌবা প্রোজেক্ট ওইনা পায়খৎলক্লিবা লম্বীদা কংক্রিট থাবগী থবক অসি খ্বাইদগী য়ান্না শুবা লম্বীদা কংক্রিট থাবগী চাং খ্বাইদগী য়াম্বা অসি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সি অসিনা ওইরে। অসিগুম্বা অহোংবা কয়া অসিগী য়েংলগা লাক্কদৌরিবা মীখলদা এম এল এ কেবিদা অমুক্কা হন্না ভোট পীফম থোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখিবা থাঙ্গা এ সিগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রানা হায়, হৌজিক বি জে পিনা হুন্দুনা ঙাঙ শক্লিবশিং অসি ওইদবনি। মখোয়না তশেংনা বি জে পি নুংশিদবা ওইরবদি বি জে পি লৈঙাক্লা পীরিবা কান্নবশিং করিগী লৌরি। লৈঙাক অসিগী মখাদা পীরিবা হকশেল কার্দনা চহী অমদা লাখ ৫-৫গী মতেং পাঙলি। মসিদসু নত্তনা চানবা চেঙ লেন্না ফংহল্লি। পূন্নমক অসি লৌরগা বি জে পি ফত্তে হায়দুনা লাউবা য়ানিংদে। তশেংনা বি জে পিবু য়ানিংদবা ওইরবদি পীরিবা কান্নবশিং অসি লৌদনা ঙাঙবিয়ু হায়খি।

অমরোমদা, হৌজিক মীয়ান্না এম পি ওইনা থাখিবা ওজা বিমোলনা দিল্লিদা চৎলগা মীয়ামগী মায় পুরকপগী মহুৎতা মণিপুর মীয়াম্বু ইকায় ফিরুক খুমহল্লিবা অসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মঙোন্দা শীরিবা মরাল অসি য়ানিংদে হায়রবদি কোর্টতা চৎলগা মহাক লান্দে হায়বা উৎপিয়ু। মীয়ামদা ফাউরিবা ইকাইবা অসি কোকহনবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী এম এল এ শগোলশেম কেবি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সি রাজকুমার অমসুং দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা থৌরমগী মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা মণিপুর...

লমায় ১গী মখা... হেক পুথোকপা মতমদা বিলশিং অদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলক্কনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী ঐহাকপু নমথনবা হোৎনরকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কৈশাম্পাৎদা লৈবা এম পি বিমোলগী য়ুমগী থোঙ্গালদগী হৌদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী থম্বাল শঙলেন্দগী গেট তন্না লাকখি। মশিং য়াম্লবা এম পি বিমোলগী সর্পোর্টরশিংনা বিমোল অকোইজমগী মথক্তা অরানবা, য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীবা য়ানিংদে। মণিপুর মীয়ান্না ওজা বিমোল অমদি অচুম্বগীদমক লেপ্লি। ৱি সপোর্ট ওজ বিমোল হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

মীয়ামগী খোঙচৎ অদু থম্বাল শঙলেন্দ য়ৌরকপা মতমদা মণিপুর পুলিসনা থৎতুনা মখা তানা চৎতনবা অথিংবা পীবদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক মুক্নবা থোকখি। লোয়ননা খোঙজং অদুদা পামদবা থৌদোক থোকখিবা অমদি অশোক অপন য়াওখিবগী পাউদি লৈতে। তুংদা মীয়াম অদু অমুক কৈশামথোং তন্না হল্লক্তুনা এম পি বিমোল অকোইজমগী য়ুমগী মমাঙদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি বিমোল অকোইজমনা হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টগী নীংথম সেসনদা মণিপুর শোক্কদবা বিল খরা পুথোক্লবা হোৎনরে হায়বগী পাউ খরা ফংবা লৈ। বিলশিং অসি পার্লিয়ামেন্টতা হেক পুথোকপা মতমদা বিলশিং অদুগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলক্কনি হায়বা কিবদগী সেক্সুয়েল হরাসমেন্টগী এলিগেসন অসি পীশিন্দুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মহাকপু নমথনবা হোৎনরকপনি হায়না লৌই। চহী ৩০ হেন্না ইন্দিয়াগী মহৈরোইশিংগীদমক কখোকপগা লোয়ননা ওজা ওইদুনা লাকপগী শাংলবা মতম অসিদা অরানবা এলিগেসন কয়া তৌদুনা নমথদুনা ফানবা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি। বি জে পি লৈঙাক অসিনা ঙম্মী হায়দুনা হান্নগী দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর কেজরিৱালবু মরাল কয়া পীশিন্দুনা জেলদা থমজিনখিবা অদুগুন্না তৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অদুবু জেল চঙবা কিদে, করিগুম্বা জেলদা থমখিবা তারবসু জেলদগী হেক থোক্লকপা মতমদদি ইমা লৈবাক্কীদমক ইন্দিয়াগী পুৱারিদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওং অমদা থেংনগনি হায়বা অসি খঙজিনবীয়ু হায়খি।

অথুবদা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি ...

*লমায় ১গী মখা...*থোংবম কিরনমালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মঙাশুবা কৈথেল টেম্পরেরি মার্কেটতা ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা মতমদা রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী কাউন্সিল মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম প্রেমিলা অমদি পি ঐচ ইবেমহল অনীনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হৌখিবা ঙসি নোংমা নীনি অসিদা খঙহৌদনা ইমা মার্কেটকী মরুম থুপ্তুনা হীংলিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু অয়ুক্কী পুং ৮দগী হেন্না পোৎফম ফম্বা য়ারোই হায়বা ৱাফম লাক্লিবা অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। কৈথেল অসিগী অকোয়বদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্লিবশিং অসি লৈঙাক্না মখক খঙলবা প্রাইম মিনিষ্টর অটমার নিরভার নীধি স্কিমগী মখাদা লোন ফংদুনা ইমুং মনুং পুদুনা লাক্লিবা ঙাক্তনি।

এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিং অসি অল্লু গল্লি, থঙ্গাল বজার, বি টি রোদ, নাগামপাল অমদি পোলোগ্রাউন্দনচিংবা মফমশিংদা চহী ৩০গী মমাঙদগী পোৎফম ফমদুনা লাক্লবনি। রিগুলর ষ্ট্রিট ভেন্দর ওইদুনা নোংমগী চারা তান্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা পোৎচৈ য়োল্লক্লিবনি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা ঙাইহাক লৈতনা মরম অমা নত্রগা অমা পীদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা অয়েৎ অপন পীবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি শেমদুনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং কন্ট্রোল তৌগদবনি। লোন চুন্না থীরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা মখা তানা লোন পীথগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

মীওই ৪না শাবা ইনক্বারি কম্মিটি ...

*লমায় ১গী মখা...*সাইন্সেস (রিমস)না খঙহল্লক্লি।

রিমসকী মেদিয়া শেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিমসতা অঙাং উনবগী থৌদোক্তা লাইবক থীবদগী লৈখিদ্রবী থোকচোম ওংবী বিনারোই মীশিগী মতাংদা থীজিন্নবা মেম্বর ৪না শাবা ইক্বারি কম্মিটি অমা শেম্লে। পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন চত্থদুনা মীশি অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা থবক পায়খৎলগনি। ইক্বারি কম্মিটি অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা নুমিৎ হুন্নিগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মতুং ফংলিবা খুদম চাংদমগী মতুং ইন্না কাঙলোনগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলগনি।

মীশি অসিগী মতাংদা ইমুং মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবা অদু রিমসনসু থম্মোয় শোক্লা শরুক য়ারি। অদুম ওইনমক মখল কয়াগী অনাবা মীওইশিং লৈরিবা মফম অমদা ঙাইহাক্কী শাওনিংবনা অকোয় অতোয় মায়োক্লহন্দুনা চরাংনবা থোকহনবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। মীশি অসিগী অচুম্বা খঙদ্রিবা ফাওবা অনা লায়েংশঙ অসিদা চরাংনবা থোকহন্দনবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

য়েলহৌমীশিংদা চৈথেং পীরিবা...

*লমায় ১গী মখা...*মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা শীজিন্নরিবা খুৎলায় পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংবু য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা কনখৎপা অমদি প্রোটেক্ট তৌবগী থৌওং তোক্কদবনি। সুগী মরুম থুপ্না লৈরিবা খুৎলায় পায়বশিংনা মীচম মীয়ামদা ওৎপা নৈবা, খায়বুং খায়বুং তানবা শিনবা, ইলেক্টোরেল পোলিটিক্স য়াওশিল্লকপা অমদি আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন পীরিবা পূন্নমক অসি বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট অসিনা য়াহল্লোইদবনি। ওক্টোবর ১০ দা ম্যান্মারদা বেজ তৌবা কুকি নেসনেল আর্মি-বর্ম্মা (কে এন এ-বি) না লিয়াংমৈ নাগা হাৎখিবগী থৌওং অকনবা মওংদা য়ানিংদে। লোয়ননা কে এন এ-বিনা য়েলহৌমীশিংদা লান্দারিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। সোভরেন নেসন অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী সিটিজেনশিংদা ফোরেনদা বেজ তৌবা খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দাবা য়াব্রা? য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর হৌজিক করি তৌরগা লৈরি। মণিপুরদা চাউরাক্লা সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্স লিশিং ৭০ হেন্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরবসু খুৎলায় পায়বশিংনা লান্দাবা লেপত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী মীচম মীয়াম পাখৎনা অৱাবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এগী গভর্ণমেন্ট অসিনা মণিপুরদা দিভাইদ এন্দ রুল শান্নরিবা অসি তোক্কদবনি। লোয়ননা থ্রি ষ্টেট থিওরি অমদি থ্রি কাউন্সিল থিওরিগী থৌওং চত্থরিবা অসিসু লেপকদবনি। মণিপুরগী মীয়ামগী থম্মোয়দা হৌখিবা চহী অহুমলোমদগী হংদুনা লাক্লিবা ৱাহংগী পাউখুম লৈঙাক্লা পীগদবনি। মণিপুরগী হিষ্টোরিকেল আইদেন্টিটি অমদি টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্কদবনি, ফীভম অমত্তদা মাঙহনবা য়ারোই হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এম পি পিগী মায়কৈদগী বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্তা দিমান্দ ১২ রোমসু থমখি হায়রি।

বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট অদুম...

*লমায় ১গী মখা...*মণিপুরদা লৈরিবা লো অমসুং ওর্দরগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না মখা তাখি মদুদি হৌখিবা চহী অহুম অসিদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা লৈখিবা ইরাং অদু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, মিলিটরি, পেরামিলিটরি ফোর্সেস, ষ্টেট পুলিসনা মপুং ফানা লাকশিল্লে। মফম খরদা থৌদোক মচা মচা খরা থোকপা অসিসু লাকশিল্লগনি। হৌজিক ষ্টেট অসি মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্তুনা চাউখৎপা অমসুং সোসিও ইকোনোমিগী মায়কৈদা মীৎয়েং চঙবা হৌরে। মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীপুম খূদিংনা ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্ট পাল্লি। ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা মখল মখাগী পাম্বে শীজিন্নদুনা ভোট খোন্নবা শেম শাবা লোয়রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

আই টিগী লমদসু মশক তাকপা...

লমায় ১গী মখা... রাজয়ামগী খুত্থাংদা ট্রান্সলেট তৌবা ঙম্বা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না আই টি পার্কতা লৈবা ই সেৱা কেন্দ্র হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাখিবগা লোয়ননা বাসিনি টিমগা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা এম ও য়ু সাইন তৌনখি অমদি মণিপুর লৈঙাক্কা মাইক্রোসোপগসু সাইন তৌনখি।

থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী বাসিনি দিভিজন অন্দর মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার ক্ষেত্রি কুমার অস্থা অমদি মরু ওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

চীং ১দি তমদা মীরেপ পুথোক্তুনা...

*লমায় ১গী মখা...*লাইশ্রম অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সিদগী সোসিয়েল ৱার্কর লাইশ্রম হেনমন্তনা জে দি (য়ু)দা নৌনা য়াওরকপদা তরান্না ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, জে দি (য়ু) মণিপুর য়ুনিট অসি মমাঙগী মীখলদা এম এল এ ৬ মায় পাকখিবা পার্টি অমনি। জে দি (য়ু) অসি সেন্টরদা এন দি এগা চৎমিন্নবা মরন্না মথং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মীরেপ পুথোক্কদ্রা হায়বা খঙদবদগী জে দি (য়ু) মণিপুর য়ুনিটকী লুচিংবশিং পার্টিদগী তোকখিবনি। অদুবু জে দি (য়ু)গী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টকী চার্জসু পুরিবা এম দি অফিক অহমেদ খান অমদি রাজ্য সভাগী এম পি ওইরম্বা অনিল হগ্রে নেসনেল লিদর অসিনা মণিপুরদা লাক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা চীং অমদি তমদা মীরেপ থাদোক্লবা অয়াবা পীরমখি। মরম অসিনা জে দি (য়ু)দা চঙলকপা খূদিংমক মীরেপ ওইহন্দুনা মীখলদা মায় পাক্লগা লৈঙাক শোয়দনা শেম্বা ঙম্লগনি হায়খি।

ওক্টোবর ১৫ নেসনেল ব্লেক দে...

ঙরাংগী মখা... লোনা থিংখ্রবা এন আর এফ এমগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৫০গী জানুৱারি ২৬তা চৎনবা হৌখিবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লৌশিনবীরবা লৈবাক মণিপুরদা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়াগী নমথাক্কী ইলেক্সন অসিনা মণিপুরবু মালেমগী মীয়ামদা ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়না উৎননবগী উৎ চাইবনি। ঙসিদি মরা চেৎনা তাখ্রবা ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাকখাদা লৈখ্রবা মণিপুর মীয়ান্না ইন্দিয়াগী মীখলদা ঙাওদুনা মণিপুরগী পুৱারীগী ঈচেলবু কাউথোকপগুম তৌরি। চত্থরিবা মণিপুর মীয়ামগী নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট অসি অনৌবা মায়ওন অমা পীননবগীদমক্তা মণিপুরদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোইশিং, লূপশিং, স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুর-ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা মুক্নরিবা অসি মওং মরিল তানা খন্ন-নৈনবীদুনা মণিপুর মীয়ামগী নীংতম্বগী ইহৌদা অচুম্বা মায়ওন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। মণিপুর মীয়ান্না ওক্টোবর ১৫ নেসনেল ব্লেক দে অসিবু মপুং ফানা ওবজার্ভ তৌবদা থৱায় হকচাং লূপ্না শরুক য়াবীয়ু অমদি নুমিৎ অসিবু ব্লেক দে ওবজার্ভ তৌরিবা ইরৈচা লুপলোই পূন্নমক্কী থৌদাংদা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়ারি হায়নসু মখা তারক্লি।(লোয়রবা)

ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর পুম্বা টোটেল...

ঙরাংগী মখা... সোরেপাগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর এন্নেক্সেসন য়াদে হায়বা ফোঙদোকপা অমসুং মীনাই ওইবগী ৱাখল্লোনদগী নীংতম্বা হায়বা অসিগী মতাংদা হায়রক্লিবনা লৈবাক অমা মীনাই ওইরে হায়বসি মীচম মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা ৱাখল্লোন পুথোক্লকপশিংগী মনুংদা খুন্নাই লৈশেম মাইচৌশিং, ফ্রান্তান্স ফেনেন, অল্বার্ট মেমি অমসুং এম সিজরনচিংবগী মমিং পনবা য়াই। ঐখোয় মীচম মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবা য়াবা ৱাফমদি মীখা পোল্লবা, মপাঙ্গল লৈরবা লৈবাক অমনা লোয় চনশিন্দুনা থম্বীরবা লৈবাক অমদি মদুগী মীচম মীয়ামদা লৈরিবা পুন্সিরোলগী লিচৎ অদুনি। লৈবাক লৈশেম্লোনগা মীচম মীয়ামগী পুন্সিরোলগা অনি অসি মপু মনাইগী পুন্সিরোলদা হিংলি। মীনাই ওইরবা, মীখা থারবা লৈবাক অমগী পুন্সিরোল অসি অসুম্না খঙমিন্নবা নৈনমিন্নবা য়াই। অহানবদা লোয় চনশিনবা, অনিশুবদা শেল থুমগী ফিভমদা মীখা থানা তাঞ্জদুনা হিংবগী লিচৎ ওইহল্লকপা, অহুমশুবদা খুন্নাই মীয়ামগী পুন্সিরোলদা অনেম অৱাং লায়র ইনাকখুনবা খায়দোরকপনি। মীনাই ওইবা খুন্নাইগী নুপীশিংনা শেল থুমগী ফিভম শোল্লবা খুন্নাইদুগী নুপাশিংগা য়ুম্বানমিন্নবা পাল্লক্তে। মীতোপ্তা য়ুম পানবদা ইমুং মনুং য়াওনা শৌগৎপা হৌরকই। মসি হৌজিক ঐখোয় ঐখোয়গী লৈকায়দা, লাইশঙদা, মান্দপতা ইফোঙ ফোঙনা উবা ফংই। লৈবাক্কী পিবারেল ফাওবা মীয়াম্না মীখা পোনবগী কোইরাও লাওরম্বা অদু অকোনবদদি ময়াংগী মোইথেমদা তুথদুনা ময়াংগী কোনুংদা ফনা কুইনা তুথরুরে। রিফোর্মেসন অমদি য়াওল ঈহৌ অনিগী তাইনফম অসি ময়েক শেংনা চৎপা ৱানা থোক্লি। সোসিয়েল দিমোক্রেটিক মুভমেন্ট অসি রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসনগী ঈহৌগী মাইওললোমদা পুশিল্লকপা ৱানা থোক্লি। সেল্ফ দিটরমিনেসনগী ঈহৌদগীদি ইলেক্তোরেল চেঞ্জকী নৎত্রগা ইলেক্তোরেল রিফোর্মগী ঈহৌনা হেন্না থাজবগী মমি তারি। ইন্দিয়ানা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা কংলৈ মণিপুরবু লৌশিনখিবা মতমদগী হৌজিক ফাওবা চত্থরিবা লোয় লৈঙাক অসি বৃটিশনা ৱার্ল্ড ৱার ২ মমাংদা চত্থখিবা লোয় লৈঙাক্কী শকওং অদুগী খুদুং ইন্দুনা চৎলি, মখোয়গী ব্লুপ্রিন্ট ওইনা চৎলি। পানাশিংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা মথৌ তাই হায়বগী মতাংদা পল্লিবনা, রাইট টু সেল্ফ দিটরমিনেসনগী লান্থেং অসি পানা পানাদগী হৌরকপা মথৌ তাই। পানা পানাগী লৌমীশিংনা নিংতম য়াওল ঈহৌগী লান্মী তেঙ্গোল শেমগৎপা চঙই হায়রদুনা ঐখোয়গী পুন্সিগী মহিংদা য়ুম্ফম ওইরগা শেন্মীৎলোনগী য়ুম্ফমগা ময়াং লৈবাক্কী শেন্মীৎলোনগী য়ুম্ফমগা অনিগী মরক্তা লৈরিবা য়েমৌনবা মশক খঙমিন্নসি। পুন্নমক শুপচিল্লগা থমজনিংবদি ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা লৌশিনখিবসি য়াদে। য়ু এনগী চৎন-পত্থাপ, কোভিন্টে, প্রোটোকোল থুগায়রগা কোলোনিয়েলিজম অমদি নিয়োকোলোনিয়েলিজম চত্থবনি হায়বসি খঙমিন্ননা ঐখোয় নীংতম লান্থেং অসি কনখৎহল্লসি হায়রি। (লোয়রবা)

‘পিপল এগেনষ্ট এস আই আর’ কৌবা প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা থাসিগী ২৩দা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

নু দিল্লি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী লৌমী, শীন্মী, নুপীশিং, নহারোল, মহৈরোই, দালিত, অদিৱাসি অমসুং মাইনোরিটি কয়ানা খুৎশন্নদুনা নৌনা শেম্বা লৈবাক অসিগী ‘পিপল এগেনষ্ট এস আই আর’ কৌবা প্লেটফোর্ম অমনা লৈবাক অসিদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা চথুরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) অসি মপুং ফানা চৎনহন্দনবা দিমান্দ তৌরদুনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৩দা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী সুরজিৎ ভাবনদা নৌনা শেমখিবা ‘পিপল এগেনষ্ট এস আই আর’গী তোঙান তোঙানবা রিপ্রজেন্টিটিভ কয়ানা শরুক য়াদুনা ফমখিবা মীফম অমনা এস আই আর মপুং ফানা চৎনহন্দনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মথক্তা খোঙজং চঙশিন্নবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

মীফম অদুনা হৌখিবা চহী ২০২৪ হায়বদি এস আই আর পাঙথোক্ত্রিঙৈ মতম অদুদা লৈখিবা ইলেক্তোরেল রোল অদুদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা ভোটিং গী রাইট পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ২৩দা মশিং য়াল্লবা মীয়ান্না শরুক য়াদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা কনভেন্সন কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট তম্না খোঙজং চঙশিনবদা নত্তনা লৈরক খুল্লক খূদিংদা তোঙান তোঙানবা স্লোগান কয়া লাউদুনা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা মতম কয়াগী মমাঙ্দগী লৈবাক মীয়ান্না তোঙান তোঙানবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিন্নরকখিবা মফম অমা ওইরিবা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরবু অমুক হন্না মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মফম অদুদা খোঙজং চঙশিনবা য়াবগী অয়াবা পীনবসু তকশিনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর জ্ঞানেশ কুমারবু মফম লৌথোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা কোক্রোচ জনতা পার্টিনা ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌখিবা অদু দিল্লি লৈঙাক্লা জন্তর মন্তরদা খোঙজং চঙশিনবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরকখিবসু লৈখ্রবনি।

সাউদি অরাবিয়াগী মফম কয়াদা হাওথিনা এয়রষ্ট্রাইক চথুদুনা লান্দাখ্রে

সানা, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): মালেমদা মমিং লৈরবা সাউদি অরাবিয়াগী খালিদ ইন্টরনেসনেল অমদি অরামকো ফেসিলিটি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মফম কয়াদা বেলিষ্টিক মিসাইল, ক্রুজ মিসাইল অমদি দ্রোন এটেক্ট চথুদুনা অকনবা মওংদা লান্দাখ্রে হায়না হাওথিগী মিলিটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী য়েমেনগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা হোষ্টাইলগী থৌওং কয়া চথুরকপা অমসুং ওইল এক্সপ্লোরেসন তৌনবা নৌনা অয়াবা য়াওদনা ইন্সটোলেসন তৌরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হাওথিনা বেলিষ্টিক মিসাইল, ক্রুজ মিসাইল য়াওনা দ্রোন এটেক্ট চথুদুনা এয়রষ্ট্রাইক চথুখিবনি হায়রি।

হাওথিগী মিলিটরিগী স্পোক্সপার্সন য়াহিয়া সারিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়, য়েমেনগী কেপিটেল সানাদা সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী হিংশা য়াওবা এটেক্ট কয়া চথুরকপা অমসুং হাওথিনা নন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা য়েমেনদা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন কয়া চথুরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা য়েমেনগী মশীং য়াল্লবা হাওথি মীয়াম অদুক্কী মতিক অৱাবা চৈথেং মায়োক্লখি। সাউদি অরাবিয়াগী মায়কৈদগী এয়রষ্ট্রাইক অমসুং মিসাইল এটেক্ট ২,২৮১ চথুদুনা য়েমেন মীয়ামগী মথক্তা পাক্তক্লনা মীওৎ মীনৈ চথুদুনা লাক্লি।

য়েমেনগী আর্মদ ফোর্সকী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না সাউদি অরাবিয়াদা মখা তানা এটেক্ট চথুরক্তনবা খঙহল্লবসু মদুগী ওন্ন–তৈনবদা অমুক্কা হেন্না য়েমেন মীয়ামগী মথক্তা চথুরকখিবা মীওৎ মীনৈ অদুগী লমন খুন্বা ওইনা য়েমেনগী আর্মদ ফোর্সকী মায়কৈদগী সাউদি অরাবিয়াগী দেহরানদা লৈবা অরামকো কম্পনি অমসুং ইষ্টর্ন প্রোভিন্সতা লৈবা কিং খালিদ ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা নত্তনা রিয়াদকী মনুং চনবদা অরামকো রাস তনুরা রিফাইনরিদা টার্গেট তৌদুনা অকনবা মওংদা এয়রষ্ট্রাইক চথুদুনা লান্দাখ্রে হায়রি।

RAHMAN INSTITUTE OF NURSING
A Unit of RAHMAN HOSPITALS PVT. LTD.
Affiliated to Srimanta Sankaradeva University of Health Sciences, Guwahati
Recognized by Indian Nursing Council (INC), New Delhi
Approved by Assam Nurses' Midwives' and Health Visitors' Council, Guwahati

ADMISSION OPEN 2026 - 2027

Program Name	Duration	Admission Mode
GNM Nursing	3 Years	SSUHS Common Entrance Examination
B.Sc. Nursing	4 Years	
Post Basic B.Sc. Nursing	2 Years	
M.Sc. (N) (Medical Surgical)	2 Years	

Interested Students can avail 12 Months Internship at RAHMAN HOSPITALS PVT. LTD.

www.rin-edu.org

WHY CHOOSE RIN?
- **Expert Faculty:** Experienced educators with rich academic and clinical backgrounds.
- **Serene Learning Environment:** Pollution-free, dynamic green campus fostering dedicated study.
- **Advanced Simulation & Labs:** Brand-new Skill Simulation Lab for advanced clinical practice, plus specialized labs for Nursing Foundation, Nutrition, Pre-Clinical Science, Computers, Community Health, Maternal & Child Health, and Advanced Nursing.
- **Modern Infrastructure:** Spacious, program-specific lecture halls alongside a central library, reading room, audio-visual room, and auditorium.
- **Certified Life Support:** Official American Heart Association (AHA) Training Centre offering certified BLS and ACLS programs.

DURGA PUJA SPECIAL ADMISSION OFFER
Up to 50% Concession on Admission Fees
Guaranteed On-Campus Hostel & Mess Facilities (Separate arrangements for male & female students)
Offer valid for admissions confirmed before 30TH OCTOBER 2026 under Institute Management

Institutional Concessions: SNIGDHA JYOTI SCHOLARSHIP
(Direct Fee Concession in Admission Fees based on Higher Secondary Marks)

Qualifying Aggregate Score	Fee Concession
Greater than 90%	30% Concession
Greater than 80%	20% Concession
60% – 70%	15% Concession
EWS, BPL & Specially-Abled Candidates	Special 50% Concession (Limited seats)

Institutional offers apply exclusively to admissions secured directly under Institute Management quota

GOVERNMENT & CENTRAL GOVERNMENT SCHEMES
- Post-Matric Scholarship for SC / ST / OBC (North East Region)
- Merit-cum-Means Scholarship for Technical / Professional Courses
- Ishan Uday Special Scholarship Scheme (NER Students)
- APST Stipend Scheme (Arunachal Pradesh)
- State ST Scholarships (Manipur & Meghalaya)

CLINICAL EXPOSURE & INTERNSHIP
Community Field Training: Established practical setups at Sonapur BPHC, Satgaon Urban State Dispensery & Bonda Health Centre.
Diverse Rotations: Practical clinical exposure across prominent Government and Private Hospitals in Assam.
Specialized Exposure: Advanced psychiatric and clinical training for M.Sc. Nursing candidates with NIMHANS, Bengaluru.

CAMPUS FACILITIES
Safe & Inclusive: Strict zero-tolerance anti-ragging policy with dedicated student support cells and full wheelchair accessibility (lifts and washrooms) on every floor.
Eco-Friendly Campus: Certified "Clean & Green" under the Swachh Bharat Mission.
On-Site Healthcare: Direct medical care powered by the parent institute, Rahman Hospitals Pvt. Ltd.
Amenities & Transport: Dedicated transport for clinical postings, a modern canteen, common rooms, and an in-house gym.
Guaranteed Housing: Separate male & female hostels with full mess facilities.

CONTACT & ADMISSION DESK
RAHMAN HOSPITALS PRIVATE LIMITED
Annexure Building, 2nd Floor, VIP Road, Sixmile, Guwahati
Helpline: 7578003368 / 7578025955 / 91 8486803484
email: rahmancollegeofnursing@gmail.com

SL/KK/10 to14 (15 days)

“The Manipur Ayurvedic Sammelan” Regd No. 4 of 1959-60 under the Societies Registration Act XXI of 1860, Singjamei Chingamakha opposite Manipur College.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, the 15th October 2026

In continuation to Notice dt. 8th October 2026 Published with the Sanaleibak Newspaper, It is hereby informed to all the members that the special General Body Meeting will be held on **25th October 2026** at 2:00 pm sharp as proposed at the same venue and time. Therefore, all the members of the said Association are requested to attend the meeting in time. The final voter list to the special General Body meeting is published as under:

Sl.No.	Name	Status
1	Khagemba Birendra Singh	Inactive
2	Pukhrambam Chingdrenkhomba	Active
3	Ishak Shah	Inactive
4	Haobam Ramlal	Active
5	Kshetrimayum Dinesh	Active
6	Pukhrambam Vineet Singh	Active
7	Rajkumari Indubala Devi	Active
8	Ningthoujam Biren Singh	Inactive
9	Ningombam Surdhoni Devi	Inactive
10	Chongtham Donin	Inactive
11	Thokchom Doren Singh	Inactive
12	Pukhrambam Kumarjit Singh	Active
13	Ningthoujam Sarat Singh	Inactive
14	Chingsubam Nandeswar Singh	Inactive
15	Heisnam Ningthemba Singh	Inactive
16	Ngaithem Sudhir Singh	Active
17	Huidrom Sunildatta Singh	Active
18	Hijam Basant Singh	Inactive
19	Kshetrimayum Shantikumar Meitei	Inactive
20	Oinam Dhnendrajit Singh	Inactive
21	Thangjam Basanta Singh	Expired
22	Salam Nimaichand Luwang	Inactive
23	Kshetrimayum Iboton Singh	Inactive
24	Heisnam Muhindro Mangang	Inactive
25	Kshetrimayum Ibohal Singh	Inactive
26	Saikhom Suresh Singh	Inactive
27	Angom Krishnamani Singh	Active
28	Laishom Bony	Inactive
29	Oinam Ibobi Singh	Inactive
30	Yumnam Rajenkumar Singh	Inactive
31	Haobam Birendra Singh	Inactive
32	Gurumayum Lalgopal Sharma	Inactive
33	Khuraijam Munindra Singh	Active
34	Soram Tomba Meitei	Inactive
35	Salam khelen Singh	Inactive
36	Chomgtham Rajen Singh	Inactive
37	Irengbam Bony Raju	Inactive
38	Thongam Ibopishak singh	Inactive

SL/5661/15

Sd/- Huidrom Sunildutta Meitei
Ex-Secretary

৪৯শুবা প্রিপাক্কী মপোক কুমওননা লাকপদা...

ঙরাংগী মখা...

ঐখোয় ককচেং মখল অনিনা মপান্দগী নিক্লক্লবসু ওনশিন্নদুনা খুৎ থানগদবা নত্তে। ঐখোয়না অহানবদা খঙমিন্নগদবদি ঐখোয় খুদিংমক চফু অমা খক্তু গী মনুংদা পুন্না হিং মিন্নবনি হায়বসিনি। অনিশুবদা ঐখোয় অমনা অমদা তাশিনবগী থবক থাদোকপনি। অহুমশুবদা ঐখোয়বু মপান্দগী নিক্লক্লিবা অসি কনানো অমদি করিনো, কমদৌননো হায়বা অসিনি অমদি অরোয়বদা তৌগদবসি ঐখোয় মশেল অপুনবা থৌদাং লৌমিন্নদুনা ঐখোয়গী তুংলমচৎকী লম্বী য়াৎমিন্নবা অসিনি। হৌজিক ৱেসিয়া লমদমদা লৈরিবা য়েলহৌমীগী মীশিং অসি চাওরাক্লা মিল্লিয়ন ১২ দগী ২০ ফাওবনি। মসি ৱেসিয়াগী অপুনবা মীশিং মিল্লিয়ন ৪৫.৭ গী চাদা ২৭ দগী ৪৭ নি। মালেমগী ওইনদি লৈবাক ৯০ দা য়েলহৌমী মিল্লিয়ন ৫০০ রোম লৈ। ৱেসিয়াগী য়েলহৌমীশিংনা খুন্দারিবা মফমশিং অসিদা মালেমগী মফম অতৈদা ফংদবা পোখোক কয়া মরাং কায়না লৈ। অতাংবা পোখোকশিং অসিবু ইন্দিয়ানা লৌনবা হোৎনবদা মফমসিগী য়েলহৌমীশিংবু খম থেংনা নমথদুনা থম্মী। ইন্দিয়ানা পোখোকশিং অদুগী য়েংলগা য়েলহৌমীগী লমবুদি পাম্মী, অদুবু য়েলহৌমীশিংবুদি পামদে। মখোয়গী পান্দম অদু ফংনবগীদমক ঐখোয় মশেল হাৎতোক্লনবা ইন্দিয়ানা থৌরাং তৌরক্লিবসি স্ট্রেটেজি অমনি। মসি জিনোসাইদনি। ঐখোয় মশেল তুম্না হাৎতোক্লহল্লগা অহানবা মফম অদু মখোয়না লৌশিনগে। লৈশিনগে অদুগা মফমশিংগী পোৎলম পুন্নমক মখোয়গী ওইগে হায়বনি। হৌজিক কংলৈপাক্লা লৈরিবা ফিভমসি য়াম্না লুবা ইন্টেন্সিভ কেয়র য়ুনিট (আইসিয়ু) দা লৈবগুম্বনি। ঐখোয়গী মীশিংসি ফাজিল্লগা, হিদাক পীজরগা পংথহন্দুনা থম্বগুম্বনি। খুৎশেমগী বফর জোন থমজিল্লগা অমগা অমগা য়েংথিনহল্লগা, চঙনহনবা য়াদনা থল্লিবা অসি মখোয়গী স্ট্রেটেজিনি। কংলৈপাক্তা থোক্লিবা মুক্লবা অসি থওইনা থোকহনবা ইঞ্জিনিয়ার কনফ্লিক্টনি। য়েলহৌমীগী পোখোকশিং লৌথোক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা ঐখোয় মশেল খৎনহন্দুনা ইহিং নাইহিং তান্নহল্লগা হাংহৌরবা মফম অদু ইন্দিয়নশিংনা খুদুম চনশিল্লগা কান্নবা পুন্নমক ইনি দয়া অমসুং মহাক্কী মপাং ওইরিবা লৈবাকশিংনা লৌহৌনবা তৌরকপা খুৎশেম্না থোকহনবা মুক্লবনি। হৌজিক ঐখোয়না য়েংগদবদি কংলুপ অমনা অৱাৎপা লৈতনা শিজিন্নরিবা অফবা অনৌবা মখলগী খুৎলায়শিং অমসুং নোংমৈ মরুশিং অসি মপানগী লৈবাকশিংনা পীরকপা নৎত্রগদি মখোয়গী শোথরবা পুন্সি মহিং অসিনা অসুক মমল তাংলবা লালগী খুৎলায় অমসুং পোৎলমশিং অসি কদাইদগী লৌরুগদৌরিবনো হায়বসিনি হায়রি।

য়াইফ পাউজেল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, অদুনা মুক্লবা অসি ঐখোয়গী মীনা থোকহনবা নত্তে, মপানগী মীনা মখোয়গী ওইজবা খরগীদমক থোকহনবনি হায়বসি খঙনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনমিন্নগদবা মতমনি। লৈশেঙ্লোনগী মিৎয়েংদা কংলৈপাক্কী চীং তম শেৎতোক্লবা য়ারোই। অনি অসি থৱায়গা হকচাংগা থাদোক্লবা য়াদবগুম্বনি। লমদম অসিদা খুন্দা লৈতারকপগী ৱারীদসু চীংদা হান্না খুন্দারগা তপ্না তপ্না তম্পাক লমদা কুমথরকপগী ৱাফমনা অচুম্বা ৱারীনি হায়না মীপুম খুদিংমক্লা য়ান্নরি। অদুনা নীংশিংবা থোক্ত্রিঙৈ মতমদগী চীংমী তম্মী অমত্তনি হায়বা ৱাফম অসি ককপা য়াদ্রবা ওইরি। অদুবু মতমগী য়াওল লাকপা অমসুং লৈঙাক্লোনদা ময়ি চৎলকপা, মরা চেৎতবা, মপানগী অকনবা ঈথিল খঙবা ঙহৌদবা অমসুং অচৌবা লানফম মায়থিখিবদগী চীং তমগী মরীদা অহোংবা লাকখি। চীং অমসুং তমদা মীহৌরোলদগী লৈরকপা লাইনিং লম্বী থাদোক্লখিবা, মদুনা মরম ওইদুনা হৌরকফম মরু কাওথোকহনবা, লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশনা শেন্দোং খক্তগী য়েংলগা লৈবাক ঙাকপা য়েংথিনহনবগী মরু হুলহন্দুনা লৈঙাক অনি লৈহনবগী থৌশিল পায়খৎপনা চীংমী তম্মীগী মরী কোমথোকহন্নবগী মরম ওইহনখি। অদুবু মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ শেমদুনা মীয়ামগী লৈঙাক লৈরবা মতমদগী চীংমী তম্মী পুন্না লৈঙাকমিন্নদুনা অনৌবা কংলৈপাক শেম্নবা থবক পায়খৎপা হৌরকখ্রবনি। অদুবু লোয়লম শন্দোকপগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লোয়লম শনে দাকপা য়ারোই হায়না লাওরম্বা ইন্দিয়ানা নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়া মতিক মঙম অমসুং মোইথেমগী পাঙ্গল শিজিন্নদুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনশিলহনবগী পাখৎলকপা থবক থৌরমগী মনুংদা কংলৈপাকসু য়াওখি। অদুনা অরানবা মতিক মঙম অমসুং মোইথেমগী পান্বে শিজিন্নদুনা লোগী মতুং ইন্না মতিক মঙম য়াওদ্রবা কংলৈপাক্কী নিংথৌবু শিল্লোংদা নমথাক্কী মর্জর এগ্রিমেন্টদা খুৎয়েক পীহন্দুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা নমদুনা তিনশিনখি। ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু লৌশিনখ্রবা মতুংদা অনৌবা মী অমসুং অনৌবা লৈঙাক্লোন লাকপদগী অনৌবা কংলৈপাক শেম্বগী মংলান মংফাওনবা ঙমখিদ্রে। মপুং ওইবা ফুরুপ ৩ তপ্না তপ্না শেমগৎলক্তু না মাগী মাগী পোলিটিকেলগী মিৎয়েং অমসুং খোঙচৎ চৎপা হৌনবগী মরম ইন্দিয়াগী খুৎশেমগী মর্জর এগ্রিমেন্টনা ওইরকখি। অনৌবা লৈঙাক্লা তাশিন খোমজিনবগী মহুৎতা নহানা মাইবা শাবগুম্না হেন্না হেন্না মচেৎ তাবা থৌশিল পায়খৎলকখিবনি। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিসু ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু লৌশিনখ্রবা মতুংদা শেমখিবা নমথবা অমসুং দিভাইদ এন্দ রুলগী য়ুম্ফম অদুদগী থোক্লকপনি। লৈঙাক চুক্লি পুম্নমক মীতোপনা পায়রবনিনা লৈঙাক্কী থবক্তগী মচোই তাবা ওইনা উবা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিং পুনশিন্নবগী মংলানদি তৌরুনিংঙাই লৈতে। অদুনা কাংলুপ ফুরুপশিংগী অপান্বা খঙনবা, অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, তুং কোয়না হিংমিন্নবা য়ানবা অপুনবা পাঙ্গল, শক্তম শেমগৎমিন্নবা হায়বসি ঙসিগী মীরোলদা মতমগী খোঙলৈনা শিন্নরক্লিবা থৌদাংনি।

অরোইবদা হৌখিবা ২০২৩, মে ৩ গী ইরাংনা ময়ুম মকৈ পুন্বা মৈ থাদোকখিদুনা শৈদাংদুনা লৈরিবা আইদিপি ইচিল ইনাওশিংনা অৱাবা মায়োক্লদুনা হিংবগী মহাও ফংজদ্রবাশিংগী অৱাবদা প্রিপাক্লা শরুক য়াজরি অমদি মখোয়বু অথুবদা খুন্দা লৈতাবা পুন্সি অমা ওইরসনু। লৈবাক্কী লুরবা তানফম কয়াদা ইরমদমগী মৈরা পাইবী ইমা ইবেনশিং অমদি চনুরা ওইবীশিংনা খ্বাংদা ফিশেৎ লাক্তু না অচৌবা থৌগাই কয়া লৌবিখিবা অদুগীদমক্তসু প্রিপাক্লা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা ইরৈবাক্কী লায়বক লেপকন্দবা নীংতম য়াওল লান্থেং অসিগীদমক য়েক্লবগী কৈশুমশঙদা ফাদোক ওইদুনা অৱা চৈনা খাংলিবা পার্টিগী মরুপশিং অমদি লিশাং শিংনা চঙশিল্লক্লিবা নীংতম য়াওল অসিদা অচৌবা থৌগাই কয়া লৌদুনা নীংতম য়াওলগী লম্বী য়াৎপিরম্বা, হকচাংগী ফিভম অমসুং মতম্না তঙাইফদনা পার্টিদগী পোথাখ্রবা নুংশিজরবা পার্টিবু লুচিংবিরম্বা অহল লমন খুদিংমক্কী মফমদা নীংতম য়াওলগী য়াইফ পাউজেল পীজদুনা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি। (লোয়রবা)

কোরকোমনা ওক্টোবর ১৫দা পুং ১২গী টোটেল সটদাউন ...

ঙরাংগী মখা... অকবর হায়দরি, দেবেশ্বর শর্ম্মা, কাজুনা মণিপুর (কংলৈপাক)কী ট্রিটি রিলেসনবু য়াবগী মথক্তা বৃটিশ পেরামাউনসিনা মণিপুর (কংলৈপাক)কী মনিংতম্বা হায়বদু য়াবগী চেরোল কয়া থোকখ্রে। ভিয়েনা কনভেন্সনগী আর্টিকল ৮ শুবনা পীরি, –মঙম য়াওদ্রবা মী অদুগী থবক্লা ট্রিটি পাঙথোক্লবদি লিগেল ইফেক্ট লৈতে। ট্রিটি অদু মঙম য়াওদনা খুৎয়েক পীবা তারবদি, চৎনবা য়াদে। মণিপুর (কংলৈপাক) কনষ্টিটিয়ুসননা নিংথৌনা অকনবা ট্রিটি মেকিং পৱার পীবদি লৈরদনা অচম্বা ফিগরেট ওইবা য়াখ্রবনি। মদুগী মথক্তা, রিপ্রজেন্টেটিব রিপব্লিকান অমদি পোপুলর লৈঙাক লৈখ্রবা মতুংদা নিংথৌগী মতিক–ময়াই লৈখিদ্রে। নিংথৌ মশামক্লসু শ্রী প্রকাসতা কয়ারক হন্না ইখ্রবনি। মরম অদুনা মতমদুগী নিংথৌগী ট্রিটি মেকিং পৱার, কেপাসিটি লৈতনা খুৎয়েক তৌনখিবা চিরোলনি। মর্জর এগ্রীমেন্টগী অহানবা আর্টিকল– হিস হায়নেস দ মহারাজা ওফ মণিপুর (কংলৈপাক) হিয়ারবাই সিদস তু দ দোমিনোন গভর্ণমেন্ট ফুল এন্দ এক্সক্লুসিব ওথোরিটি, জুরিসদিক্সনস এন্দ পৱার ফোর এন্দ ইন রিলেসন তু দ গোভর্ণমেন্ট ওফ দ ষ্টেট...'' তা পিরিবা ‘‘সেসন’’গী কেপাসিটি মহারাজদ লৈখিদ্রি হায়রি।

মণিপুর (কংলৈপাক)না ঙসি ফাওবা কাউনদ্রিবা, নিংথৌ অমবু ফারগা লান্মীনা কোয়শিল্লগা ট্রিটি খুৎয়েক পীহনবদুনি। শ্রী প্রকাশনা সরদার পটেলদা থাবা সেপ্টেম্বর ১৮, ১৯৪৯ গী টেলিগ্রাম অদুদা লানফা ওইহল্লগা নিংথৌবু নমদুনা থম্ববু পল্লি। লানফা অমসু ওইরবা লান্মীনা লাঙ্গৈ চল্লবা খুৎয়েক পীবগী মঙমসু শুক্লে লৈজদ্রবা মমিংতা ঙাইরবা নিংথৌ অমনা খুৎয়েক পীবা ইন্সত্রুমেন্ট / ত্রিতি অদু চুম্মী হায়বগী মরম অমত্তা থিবা ফংদে। মালেমগী লৈঙাক পথাপনা ৱেষ্টর্ন সহারা কেশকী ৱাফমগুম্না ষ্টেট অদুনা (ইন্দিয়া) না সেল্ফ দিটরমিনেসনগী পথাপ ইনবা তাই। লৌশিনবা তৌরিবা লৈবাক অদুগী (ইন্দিয়া) গী টেরিটোরিয়েল ইন্তিগ্রেসনগী রুলদগী সেল্ফ দিটমিনেসনগী য়ুনিটতুগী পথাপনা লুম্না চৎলি। জৱাহরলাল নেহরুনা মাগী দিস্কভরি ওফ ইন্দিয়াদা ষ্টেটশিংনা চহী ১০ গী মতুংদা রাইট টু সেসিদ লৈগনি হায়না ইরি।

য়ুএনগী মেম্বর ওইদ্রবসু লৈবাক অমবু নম্ফুদা লৌশিনখিবা হায়বদি মালেমগী চৎন পথাপ অমত্তনা শৌগৎপা তৌদে। অহোইনদুম মদুনা মালেমগী পিছ অমসুং সেক্যুরিটি থুগায়বগী ৱাফমনি। য়ুএনগী অহানবা থৌদাংদি মালেমদা পিছ অমসুং সেক্যুরিটি থম্বনি। এগ্রেসন অমসুং এন্নেক্সেসন অসি য়ুএন সিষ্টেমনা য়াদে। তঙাইফদ্রবদি মদু মঙম শিজিন্নদুনা থিংই। ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমদুনা লৌশিনখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ১৫ অসি ঐখোয়গী মীৎমাঙদা অমসুং মীওইবগী হক মাংলবা অমম্বা নুমিৎ নেসনেল ব্লেক দে হায়না কোরকোমনা খঙনদুনা লাক্লি। মরম অদুনা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৫ অসিসু মহৌশাগুম অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা কোরকোমনা পুং ১২ চুপ্পা টোটেল সটদাউন লাওথোক্লে। মীয়ামসু সটদাউন অসি শৌগৎপিয়ু। টোটেল সটদাউন মনুংদা তঙাইফদবা অনা লায়েং, মৈহৌ লাংপোক অমসুং লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থবকশিংদি কোমথোক্লনি হায়রি। (লোয়রবা)

DECLARATION

The name and date of birth of my son are recorded as Brilliant Phurailatpam and 16/03/2002 respectively in his Mark Statement cum Certificate of High School Leaving Certificate Examination 2017 conducted by Board of Secondary Education, Manipur. However, due to Bonafide mistake the name and date of birth are recorded as P. Brilliant Sharma and 15/05/2001 in the family pension book being PPO No. 234980512039 dated 28-11-2005. The above-mentioned names **Brilliant Phurailatpam** and **P. Brilliant Sharma** are the same and one individual person.

I, have declared to rectify my son’s name as **Brilliant Phurailatpam** in place of **P. Brilliant Sharma** and his date of birth as **16/03/2002** in place of **15/05/2001** to keep tally with his Mark Statement cum Certificate of High School Leaving Certificate Examination 2017 for future reference vide Affidavit before the Chief Judicial Megistrate, Bishnupur, Manipur dated 14th October, 2026.

Sd/-
Ngangom Somaanand Devi

SL/KK/15

ꯃꯤꯡꯍꯣꯡ / CHANGE OF NAME & DOB

Salam Manisana Devi, D/o Th. Birchandra Meetei resident of Laitonjam Khori Leikai, P.O. Nambol, P.S: Nambol, District: Bishnupur, Manipur - 795134 do hereby declare that I have change my name from Salam Manisana Devi to **Thingujam Manisana Chanu** and DOB from 01/01/1978 to 01/01/1979 henceforth. I shall be known as **Thingujam Manisana Chanu** with DOB **01/01/1979** in all purposes.

SL/KK/15 **Sd/- Thingujam Manisana Chanu**

ꯃꯤꯡꯍꯣꯡ / CHANGE OF NAME & DOB

Mrs. Soniya Devi, W/o Bijoy Kumar Singh resident of Nambol Khori Leikai, P.O. Nambol, P.S: Nambol, District: Bishnupur, Manipur - 795134 do hereby declare that I have change my name from Mrs. Soniya Devi to **Pukhrambam Sonia Devi** and DOB from 11/04/1983 to 01/03/1983 henceforth. I shall be known as **Pukhrambam Sonia Devi** with DOB **01/03/1983** in all purposes.

SL/KK/15 **Sd/- Pukhrambam Sonia Devi**

ꯃꯤꯡꯍꯣꯡ / CHANGE OF SURNAME

Sanjenbam Ongbi Ibempishak Devi, D/o Ningthoujam Sobhachandra Singh resident of Leimaram Awang Leikai, Leimaram, P.O.: Nambol, P.S. Nambol, District: Bishnupur, Manipur – 795134 do hereby declare that I have change my surname from Sanjenbam Ongbi Ibempishak Devi to **Ningthoujam Ibempishak Devi** and henceforth. I shall be known as Ningthoujam Ibempishak Devi in all purposes.

SL/KK/15 **Sd/- Ningthoujam Ibempishak Devi**

ꯃꯤꯡꯍꯣꯡ / CHANGE OF NAME & DOB

L Achung, C/o L. Lupheng resident of Ichum Keirap, Sadu Monsaba Kabui, P.O. Nambol, District: Senapati, Manipur - 795134 do hereby declare that I have change my name from L Achung to **Leivon Achung Kom** and DOB from 01/03/1980 to **01/03/1995** henceforth. I shall be known as **Leivon Achung Kom** with DOB **01/03/1995** in all purposes.

SL/KK/15 **Sd/- Leivon Achung Kom**

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯦꯖꯤꯁꯂꯦꯇꯤꯕ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕꯂꯤ
MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
MUSEUM AND ARCHIVES

PAINTING COMPETITION
THEME: “POLITICAL HERITAGE OF MANIPUR”

The Manipur Legislative Assembly Museum and Archives cordially invites students and college students to participate in a Painting Competition celebrating its ***8th Foundation Day***. Express the rich political history and heritage of Manipur through your creativity and artistic talent.

DATE OF COMPETITION & VENUE: 16th October, 2026 & Manipur Legislative Assembly, Museum & Archives (Old Assembly)

REPORTING TIME FOR ON-SPOT REGISTRATION: 10:30 AM onwards

NO ENTRY FEES

COMPETITION TIME: 11:30 AM to 1:30 PM (2 Hours)

PRIZE DISTRIBUTION: 18th October, 2026 (Foundation Day)

First come first serve for 30 (Thirty) Participants from group(A&B) as listed below.

GROUP A

Eligibility: Class 6 to Class 9

1st Prize: ₹5,000/-
2nd Prize: ₹3,000/-
3rd Prize: ₹2,000/-
5 Consolation Prizes: ₹1,000/- each

GROUP B

Eligibility: Class 10 and Above, Including College Students

1st Prize: ₹10,000/-
2nd Prize: ₹8,000/-
3rd Prize: ₹5,000/-
5 Consolation Prizes: ₹1,000/- each

MATERIALS PROVIDED

- All participants will be provided with five basic colours:
  Red, Blue, Green, Black and White.
- Group A: A3-size watercolour sheets will be provided.
- Group B: 16 × 20-inch canvas boards will be provided.
- All participants will receive a Certificate of Participation.

Come, showcase your creativity and celebrate the political heritage of Manipur through art!

PAINT THE PAST • INSPIRE THE FUTURE

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Addl. Secretary (Admn.),
Manipur Legislative Assembly

SL/Ath/14 to15

MANIPUR UNIVERSITY
Canchipur: Imphal

Ph.D. Admission Notice / 708

(Under Visvesvaraya Ph.D. scheme for Electronics and IT: Phase-II)
Dated, the 14th October, 2026

No.MU/3-121/V.Ph.D.S/Aca/25 : In continuation of this office admission notice No. 696, dated, 23rd September, 2026, the last date of submission of online applications for admission into P**h.D. Programme** in Engineering for the Academic Session **2026–27** has been extended upto **19th October, 2026**, at Manipur Institute of Technology (MIT), Manipur University, under the **"Visvesvaraya Ph.D. Scheme for Electronics and IT: Phase II"**, supported by the **Ministry of Electronics and Information Technology (MeitY), Government of India.**

Programme / Department	Eligibility Criteria	No. of Seats	Broad Area of Research	Financial Support
Ph.D. in Computer Science & Engineering	1. M.E/M.Tech/MS in relevant branch with at least 60% in aggregate or equivalent CGPA OR B.E./B.Tech. in relevant branch with at least 80% in aggregate or equivalent CGPA with a valid GATE Score (Age Limit: 30 years)	**1 (Full Time)**	**IT/ITES**	As per Visvesvaraya Ph.D. Scheme for Electronics and IT: Phase II
Ph.D. in Electronics & Communication Engineering	1. M.E/M.Tech/MS in relevant branch with at least 60% in aggregate or equivalent CGPA OR B.E./B.Tech. in relevant branch with at least 80% in aggregate or equivalent CGPA with a valid GATE Score 2. Regular employee from a reputed industry, R&D Organization or academic/research institution.	**1 (Part Time)**	**ESDM**	

For more details **(Eligibility Criteria, Fellowship amount, Duration, Age etc.)** of the Visvesvaraya Ph.D. scheme, kindly visit the link: https://www.manipuruniv.ac.in/p/visvesvaraya-phd-scheme

How to apply: Online applications may be submitted at https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

General Instructions:
1. Before filling up the online application form, applicant should read the instructions carefully and follow it strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs.200/- (in case of SC/ST/PWD) candidates are to be paid online using Debit card/Credit card/Net banking/UPI only.

Selection Process:
1. The admission committee is responsible for the selection and recommendation.
2. Shortlisted candidates will be informed by email. Only selected candidates will be contacted.

Important Dates

Start of Online Application	**15.10. 2026**
Last Date of Online Application	**19.10.2026**

(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

SL/Shusila/15

রঞ্জি ট্রোফি প্লেট ঃ মণিপুরনা মায় পাক্লা কেম্পেইন হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

বি সি সি আইগী দোমেষ্টিক সিজন অমা ওইরিবা রঞ্জি ট্রোফি প্লেটকী ঙসি গোকুলভাই সোমাভাই পতেল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবদা মণিপুরগী অহানবা মেটচতা মিজোরামবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীদুনা মায় পাক্লা কেম্পেইন মখা চত্থবা ঙমখ্রে।

থা অসিগী ১১দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা মিজোরামনা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং পায়বদা অহানবা ইন্নিংসতা ওভর ৬২.৩দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ১৮৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মণিপুরনা ওভর ৯১দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ২৫১ লৌদুনা অহানবা ইন্নিংস লোয়বা ফাওবদা মণিপুরনা রন ৬৩দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা মিজোরামনা ওভর ১০৭.৪দা ৱিকেট লোয়নমক আউট ওইরগা রন ২৯৫ লৌদুনা মখোয়না অপূনবা রন ৪৭৮ লৌদুনা মণিপুরনা মায় পাক্লবগী রন ২২৭ লৌবা তাখি। মসিগী পাউখুমদা মণিপুরনা ওভর ৭১.২দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ২২৮ লৌদুনা মিজোরামবু ৱিকেট ৩দা মায়থিবা পীখি।

জিমোরামগী অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রনশিং অদু লালহরুজেলানা ২৭, সাহিল রেজানা ২৩, চিংনমা সুটরনা ৩৫, জোসেপ লাইথানখুমানা রন ১৪, জেহু এন্দরসননা ২৩, খাইঙতেনা ১৬ অমসুং কুলদিপ যাদবনা রন ২৫ লৌখি। মণিপুরগী বোল্লিংদা কিষন সিংহানা ওভর ১৯.৩দা রন ৫২ পীরগা ৱিকেট ৬, জোতিন ফৈরোইজমনা ওভর ১২দা রন ৩১ পীরগা ৱিকেট ৩ অমদি জেক্সন সিংহনা ৱিকেট ১ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা লৌখিবা মণিপুরগী বেটিংদা কঙাবম প্রিয়োজিৎনা বোল ১৬৬দা রন ৮৭ অমদি লাংলোনয়াম্বা কৈশাংবমনা বোল ১১৫দা রন ৫৪ অমসুং কিষন সিংহনা বোল ৮৮দা রন ৫১ লৌদুনা মখোয় অহুমক হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়ননা উলেনয়াই খ্বাইরাকপমনা রন ১৪, এল বাসিদ মুহাম্মদনা রন ১৪ লৌখি। ইন্নিংস অসিগী মিজোরামগী বোলিংদা খাইংতে ভানরোৎলিংঙানা ৱিকেট ৫, বোবি জোথানসঙানা ৱিকেট ৩ অমসুং কুলদিপ যাদবনা ৱিকেট ২ লৌখি।

মিজোরামনা অনীশুবা ইন্নিংসতা লৌখিবা রনশিং অদুদি চিনমে সুটরনা বোল ১৬৭দা রন ৯৯, জেহু এন্দরসননা বোল ৯১দা রন ৭১ অমসুং সাহিল রাইনা বোল ১৯১দা রন ৫১ লৌদুনা মখোয় অহুমমক হাল্ফ সেঞ্চুরি অমদি খাইঙতেনা রন ২৭ অমসুং মনেন্দ্রানা রন ১৩ লৌদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখ্রবসু মখা তাবা বেটচমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙম্লখিদে।

ইন্নিংস অসিদা মণিপুরগী বোল্লিংদা কিষন সিংহনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা ওভর ৩৩দা রন ৮৮ পীরগা ৱিকেট ৪, জেক্সন সিংহনা ওভর ৫.৪দা রন ১৫ পীরগা ৱিকেট ৩ অমদি জোতিন ফৈরোইজমনা ওভর ২০দা রন ৫২ পীরগা ৱিকেট ২ লৌখি।

মণিপুরনা অনীশুবা ইন্নিংস অসিগী বেটিংদা জোতিন ফৈরোইজমনা বোল ১৪৫দা রন ১০৫ লৌদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়ননা জোন্সননা বোল ১০৬তা রন ৫১ লৌদুনা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৈখিবগা লোয়ননা রাজকুমারনা নোট আউটতা বোল ৩২দা রন ১৭ অমসুং উলেনয়াই খ্বাইরাকপমনা বোল ২৪দা রন ১১ লৌদুনা মায় পাকপগী রন ২২৮ লৌবদা অচৌবা মতেং পাংলমখি।

ইন্নিংস অসিগী মিজোরামগী বোলিংদা খাইংতেনা ওভর ১৭দা ৱিকেট ৩, লালরেমপুয়ানা ওভর ২২দা ৱিকেট ২ অমদি বোবি জেথানসঙা অমসুং কুলদিপ যাদবনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

৩৯শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট:

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ), খুরাই পোলো ক্লব অমসুং লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব (বি) মায় পাক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পোলো গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব (বি), খুরাই পোলো ক্লব অমসুং ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ) মায় পাক্লখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব (বি)না ন্যু ভিজন পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৯–৪দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা লুৱাংপোকপা পোলো ক্লব (বি)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৪ ঐচ সঞ্জয়না ০.২২শুবা, জর্সি নম্বর ৩ এন মাইকেল লুৱাংনা ২.০০ অমসুং জর্সি নম্বর ১ কে মহেসকুমারনা ২.১০শুবা অমসুং ৫.২৯শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১ কে মহেসকুমারনা ৪.২৩শুবা অমসুং ৬.৪৯শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ ঐচ সঞ্জয়না ১.১২শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ কেঐচ রিভান্দোনা ৪.৩৪শুবা মিনিটতা অদুগা অরোয়বা মরিশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এসঐচ থাইলেন্দনা ৪.২০শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা ন্যু ভিজন পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ১ এল লিক্সননা ৩.০৪শুবা মিনিটতা অমদি মরিশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৫ এল মাইকেলনা ৪.০১শুবা অমদি জর্সি নম্বর ১ এল লিক্সননা ৫.৩৫শুবা অমসুং ৬.৫৬শুবা মিনিটতা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা খুরাই পোলো ক্লব খুরাইনা সাউর্ঠন পোলো ক্লব থোংজাওবু লাকচনা পাঞ্জল ১২–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৪ এ বিশেশ্বরনা ১.২৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৩ এ রঞ্জননা ৩.৫৫শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ এ রঞ্জননা ৪.১৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১ টিঐচ রোহিটনা ৭.০৭শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ টিঐচ ননাওনা ০.২৩শুবা, ১.৫৩শুবা অমসুং ৭.১৭শুবা মিনিটতা অদুগা জর্সি নম্বর ৩ এ রঞ্জননা ৬.০৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৬ টিঐচ বিকাসনন্দনা ৬.৫৭শুবা মিনিটতা চনখি। মরিশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ টিঐচ ননাওনা ০.২৯শুবা অমসুং ২.৩৪শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ৩ এ রঞ্জননা ৫.৩৪শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব (এ)না লোয়ালাকপা পোলো ক্লব (বি)বু পাঞ্জল ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ইবুধৌ থাংজি পেলো ক্লব (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ এল ধনেশ্বরনা ৭.১১শুবা মিনিটতা, অহুমশুবা চক্রদা জর্সি নম্বর ৩ এল ধনেশ্বরনা ২.২৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১ এস জেমসননা ৭.১৯শুবা মিনিটতা চনখি। মরিশুবা চক্রদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এল লুখোইনা ১.১৫শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১ এস জেমসননা ৩.৪৭শুবা মিনিটতা চনখি।

চিকলগী শান্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (আই দব্লিউ দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী কে ৱাই সি খুরখুল গ্রাউন্দদা ২৬শুবা অহানবা সলাম সনাতোম্বী সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬–২৭তা শরুক য়াগদৌরিবা চকিলগী শান্নরোইশিংদা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি চজিং কাংজেবুংদা পাঙথোকখিবা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরমদা চিক্লগী সেক্রেটরী লাইরেঞ্জম মাইপাকনা হায়, চিক্লগী শান্নরোইশিংনা চহী খরসিদা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগশিং শান্নদুনা লাক্লি। অদুবু হান্নদগী হেন্না কন্না হোৎনদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা সুপর দিভিজনগী মথক্তা শান্নবা ঙম্নবা হোৎনগনি। হন্দক্কী সুপর দিভিজন অসিদা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী থোয়দোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স উৎলক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)গী লাইফ মেম্বরসু ওইরিবা এস এস য়ুগী এদভাইজর রোবিন ব্লেকিনা হায়, লংথবাল এ সিগী মনুং চন্না মরুওইনা চজিং এরিয়াদা লৈরিবা শান্নরোইশিংবু য়োকখৎনবগীদমক চজিং ইনাৎ কনবা লূপ (চিকল)না হোৎনদুনা লাক্লি। চিকলগী শান্নরোইশিংনা হন্দক্কী সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিদা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না য়াইফ মঙ্গলসু পীখি।

থৌরম অদুদা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৮গী কাউন্সিলর এম জয়কুমারসু শরুক য়াখি।

মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ:

নেরোকা এফ সি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চত্থরিবা অহানবা মণিপুর পুলিস ফুটবোল কপ ২০২৬তা নেরোকা এফ সি ফাইনেলগী লম্বা ঙায়দুনা লৈখ্রে।

ঙসি অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি (সি এফ এ) অমসুং নেরোকা এফ সিনা শান্নখিবদা নেরোকা এফ সিনা সি এফ এবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী মফম অদু কনবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা নেরোকা এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ লনচেনবানা মেটচকী ৩৫শুবা অমসুং ৯০ প্লস ৪শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ২৬ নোংপোকঙানবনা মেটচকী ৮৮শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিরবা সি এফ এগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্ব্র ১০ চিংঙাংবম রেভালদোনা মেটচকী ৫১শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২৫ সঞ্জয় কাটৱালনা মেটচকী ৫৬শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সি এফ এগী জর্সি নম্বর ১২ এন সনায়াইমা, জর্সি নম্বর ২৫ সঞ্জয় কাটৱাল, জর্সি নম্বর ৭ নিংথৌসো কসার অমদি নেরোকা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ সুশিল, জর্সি নম্বর ৪ গৌতম অমসুং জর্সি নম্বর ৬৭ নোংপোকঙানবদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি ৱাই হেমন্তনা রেফরি, দিঙ্কুনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, রিনসোনা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, ননাওনা ফোর্থ ওফিসিয়েল, থারচুং চরানা মেটচ কম্মীস্নর অমসুং অজিৎকুমারনা রেফরি এসেসর ওইনা কন্দক তৌখি।

অজয়কুমারনা লৈখিদবদা স্পিকর সত্যব্রতনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ মণিপুর স্বীমিং এসোসিয়েসনগী মাষ্টর ওইরম্বা স্বীম্মর অথোকপম অজয়কুমারনা লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরসু ওইরিবা য়াইস্কুল এ সিগী এম এল এ থোকচোম সত্যব্রতনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অথোকপম অজয়কুমারনা ইখং খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা য়াইস্কুল এ সিগী ৱার্দ নম্বর ২০ দিভলপমেন্ট কম্মীটিনসু অৱাবা ফোঙদোরকখ্রে। অথোকপম অজয়কুমারনা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি লৈখিদ্রবগী য়ূমদা মহাকপু নুংশিজবা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

ৱুমেন অন্দর–১৯ টি ২০ ট্রোফি প্লেটঃ

মণিপুরনা মেঘলায়বু ৱিকেট ১০ মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

বি সি সি আইগী মখাদা চত্থরিবা ৱুমেন অন্দর–১৯ টি ২০ ট্রোফি প্লেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর অন্দর–১৯ ৱুমেন টিমনা মেঘালায়াবু চাউনা ৱিকেট ১০দা মায়থিবা পীদুনা থংন থংননা মায় পাকপগী কেম্পেইন মখা চত্থবা ঙমখ্রে।

ঙসি নোর্ঠ গুৱাহাটিগী ফুলুংদা লৈবা এ সি এ ক্রিকেট একাদমি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মণিপুরগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা মেঘালায়াবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা মেদল টেব্লিদা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙম্লি।

সিক্কিমনা মেটচ অহুম শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা অমনা মায়থিবা নঙলগা পোইন্ট ৮ ফংদুনা অনীশুবা, ত্রিপুরানা মেটচ মরি শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা অনীনা মায়থিবা নঙলগা পোইন্ট ৮ ফংলবসু অহুমশুবা মফমদা, নাগালেন্দনা মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অনীনা মায়থিবা নঙলগা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা অদুগা মেঘালায়ানা মেটচ অহুম শান্নবদা অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা টেবলগী মমৈদা লৈরি।

মেটচ অসিদা মেঘালায়ানা তোস ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌবদা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৭৭ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা মণিপুরনা ওভর ৯ মায়োক্লবদা ৱিকেট অমত্ত আউট ওইদনা রন ৭৮ লৌদুনা মেঘালায়াবু ৱিকেট ১০দা মায়থিবা পীখি।

মেঘালয়া য়ু–১৯ ৱুমেনগী বেটিংদা রিকমা দোকাটচি শিরানা বোল ৩৯দা রন ২৪ অমসুং মোনিকা সিংহনা বোল ২২দা রন ১৮ লৌবা ঙম্বা নত্তনা মখোয়গী অতোপ্পা বেট্টরশিং রন মশিং অনীশুনা লৌবা ঙম্লখিদে।

মণিপুরগী বোলিংদা বারকাতুন অলমনা ওভর ৩ লংবদা রন ৯ পীরগা ৱিকেট ৩,নোনিবালানা ওভর ৪ লংবদা রন ১৬ পীরগা ৱিকেট ২ অমদি রাবিনা খুন্দ্রাকপম অমসুং থোকচোম পুণিনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মণিপুরগী ৱুমেন অন্দর–১৯না মায় পাকপগী রন ৭৮ অদুদা বারকাতুননা নোট আউটতা বোল ২৮দা রন ৪০ অমসুং কেব্রিয়াসু নোট আউটতা বোল ২৬দা রন ৩৪ লৌখি। মেঘালয়াগী বোল্লর মঙা শীজিন্নবদা ৱিকেট অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

পেনাচীং, বেতুক ৱাই সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চত্থরিবা দি সি চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন ২০২৬দা পেনাচীং ৱাই দি সি অমসুং বেতুক ৱাই সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজনগী অহানবা কার্টর ফাইনেলদা পেনাচীং ৱাই দি সিনা লিৱা শরৈ ৱাই সিবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা পেনাচীং ৱাই দি সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী ১২শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৫ বেদীনপারনা অমদি জর্সি নম্বর ১১ অঙৌদীনশানা মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা লিৱা শারৈ ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ৯ কে অফাঙমদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা কার্টর ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা বেতুক ৱাই সিনা চারাংচীং খুনৌ ৱাই সিবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা বেতুক ৱাই সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী ২৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ২২ শোংৱারনা চনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ অশোকনা অনীশুবা হাল্ফকী ৭০শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিরবা চরাংচীং খুনৌ ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ বুংনিংঙমনা ৭৬শুবা মিনিটতা চনখি।

মেটচ অসিদা বেতুক ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ২১ দরিংঙম, জর্সি নম্বর ১১ সারসিং, জর্সি নম্বর ২ থামদর, জর্সি নম্বর ৪ ৱিলিয়ম অমদি চরাংচীং খুনৌ ৱাই সিগী গী জর্সি নম্বর ১১ খুমসেংদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

এম য়ুগী নুপা অমসুং নুপীগী জুদো টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ

ওড়িষাগী ভুবনেশ্বরগী কলিংঙ্গ ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্স (কে আই এস এই)তা নবেম্বর ৩দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি জুদো (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০২৬–২৭দা শরুক য়ানবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপা অমসুং নুপী জুদো টিম শেমখ্রে।

এম য়ু নুপা জুদো টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি কেজি ৬০দা প্রভাবতি কোলেজগী অনাও লাইশ্রম, কেজি ৬৬দা ময়াইলম্বী কোলেজগী অথোই জেনিথ লাইশ্রম, কেজি ৭৩দা প্রভাবতি কোলেজগী চোংথাম রোক্কি, কেজি ৮১দা প্রভাবতি কোলেজগী জেমসবোন্দ নিংথৌজম, কেজি ৯১দা এনজি মণি কোলেজগী অভিসেক অধিকারি, কেজি ১০০দা এম য়ুগী আরকে খৃষ্টন, কেজি ১০০ মথক্তা প্রভাবতি কোলেজগী খাইদেম দোরেন্দ্রোনি।

নুপীগী টিমদা য়াওরিবশিং অদুনা কেজি ৪৮দা এস এস জি জি কোলেজগী এম সিল্কি, কেজি ৫২দা প্রভাবতি কোলেজগী এসঐচ নুংশিথোই, কেজি ৫৭দা বিরামঙ্গোল কোলেজগী পি মালেমঙানবী, কেজি ৬৩দা পোল ষ্টার কোলেজগী নাওরেম মেলোদি, কেজি ৭০দা ময়াই লম্বী কোলেজগী লাইশ্রম দিদিকা, কেজি ৭৮দা ময়াইলম্বী কোলেজগী এল নোকফেতকা অমসুং কেজি ৭৮ মথক্তা থম্বালমরিক কোলেজগী হিজম সঞ্জনানি।

খল্লবা শান্নরোইশিং অসি কোচিংগীদমক থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ডা, কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়ম এম য়ুদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

সঙাই ইন্টর ক্লব জুদো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪, (এস এন এস)ঃ সঙাই কপ ইন্টর ক্লব জুদো টুনার্মেন্ট ২০২৬ অমসুং নবেম্বর, দিসেম্বর ২০২৬ অমসুং জনুৱারী ২০২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা সব–জুনিয়র, কেদেট অমসুং সেনিয়রগী নেসনেল জুদো টুর্নামেন্টশিংগীদমক টিম সেলেক্সন তাকয়েল পাৎতা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ন্যু মল্টিপরপস হোলদা ওক্টোবর ১৫দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ওক্টোবর ১৫গী নুংথিল পুং ৩দা জুনিয়র (বোইজ অমসুং গালর্স), সব–জুনিয়র (গালর্স)কী ৱেটনা খুমন লম্পাক্তা ওনগনি। ওক্টোবর ১৬কী অয়ুক পুং ৯দগী হৌনা জুনয়র (বোইজ অমসুং গালর্স), সব–জুনিয়রগী বাউট পাঙথোক্লগনি। নুংথিল পুং ৪দগী সব–জুনিয়র বোইজ অমসুং কেদেট বোইজ এন্দ গালর্সকী ৱেট ওনগনি। ওক্টোবর ১৭তা অয়ুক পুং ৯দগী হৌনা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেনগী বাউট পাঙথোক্কনি। অদুগা পুং ৩দা ক্লোজিং অমসুং মেদল সেরিমোনি পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ: ৱাই জি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৪ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২শুবা ক্ষেত্রিময়ুম কিশোরকুমার সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই জি সি লাংমৈদোং মায় পাকখ্রে।

মেটচ অসিদা ৱাই জি সিনা এস এ ও ককচিংবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই জি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ আই দিপকনা মেটচকী ৩৬শুবা অমসুং ৯০ প্লস ৩শুবা মিনিটতা গোল অনী, অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ দি মোলিংশিনা মেটচকী ৬০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ ৱাই দয়ানন্দনা মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটতা চনখি।

মায়থিরবা এস এ ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এন দোনাল্ডোনা মেটচকী ৭৫শুবা মিনিটতা চনখি। মেটচ অসিদা এস এ ওগী জর্সি নম্বর ৭ এন রোজর রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

দি এস এ গ্রাউন্দ অসিমক্তা চত্থরিবা ২৩শুবা কেএসঐচ লৈহাও মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু সি সি ককচিংনা কে এম এস দব্লিউ সি কৈরকপু লাকচনা গোল ৯–০দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা য়ু সি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ দেভরাজনা মেটচকী ১০শুবা, ২৮শুবা, ৬০শুবা অমসুং ৬৩শুবা মিনিটতা পূন্না গোল মরি অমদি জর্সি নম্বর ১১ অঙৌনা মেটচকী ৪২শুবা, ৪৬শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অহুম চন্দুনা মখোয় অনীমক হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১০ মনিথোইনা মেটচকী ৫৭শুবা অমসুং কে এম এস দব্লিউ সিগী জর্সি নম্বর ৫ এমদি অনিশনা আউন গোল ওইনা চঞ্জখি।

মেটচ অসিদা য়ু সি সিগী জর্সি নম্বর ৬ অমিটতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।



ꯁꯦꯞ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜꯁ, ꯏꯝꯐꯥꯜ
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6

ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X) - 2026

96.2% JEWEL NINGTHOIJAM RAMSRISNA MISSION SCHOOL
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL

TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)- 2026
XII ARTS
98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL

XII SCIENCE
92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL

100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.

SUBJECT TOPPERS
POLITICAL SCIENCE 100/100 THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
HISTORY 100/100 SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL

HOSTEL FACILITIES AVAILABLE

ADMISSION OPEN
ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR
CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026)

For more details please contact : 9863055737 | 7005958928 | 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal

SL/B/4(alt)15days

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77;
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com